++ পোইরৈতোনদুং খুন থোক্ল য়ে। থদি ইঙেন থানে, পিংনি সেনখরে। পিরিং পিখোংমনুনা কুপহুরেং। লাই চনুনা লাই রন তাংসবা। চিউর া অকপ-তনা খুন থোকলকএ মৈতে লা। লৈনাং তবীগা থোবনিংকএ তা পুংসি মীনাবা পোকএ। পা নদনা পুংসিবা।

---

* পুরৈরম্বা অসি লাইনি হায়না নিংবৈ। লৈরা মকী পুরৈরোম্বা হায়বা অসিনা অতোম পুরৈরোমবনি, মামং মায়ক্কবুরি অতোমবী পুরৈরোমবুদ্ধ লাইনি হায়না নিংবৈ।

++ পোইরৈতেন খুংগোকলকপা অসি হন অমমা লেনথৈরেন পোইরৈতোন, অমমা পাথংবী মবাই ইবুঙো খোংফাং অতে মবা পোইরৈতোনবনি।

পোইরৈতোন নিংগিং হায়গে। পিয়াইন্নুনা পোইরৈতোন পিয়াইন্নুনা থোংঙারেন, হৈরোং লেপ্পা চন্নুনা পুথা। হৈরোং লেংলিবা চন্নুনা পোইথাং। হৈন্নুলৈমনা কুরুমলেন মৈনাইনা হৈন্নুরৈমনা কুরুমলেন মৈনাইদবা। পিসিনলেননা থৌয়াংবা, লৈচীকলেন চন্নুনা নোংতম খুবা, লৈথমলেন চন্নুনা নোংতম হন্বা, লৈন্নুং ঙানবীনা পোংথাং, লৈন্নুং ঙানবীনা পোংহন, কোনহু লৈহু চন্নুনা কোনসৌরেন।

তাওবরোনদি — নুংকাং মহারাপাকা তাওপিলোইনাইকা অনিমক্কা নুংমু-তুমদমাংদবা মথক্তা য়াহিপ তমহনা ঈশিং ওংখি পোকএ, মৈসনমুবী পোকএ। রোক মরক্ত অনি পোকএ। তাওবি লোই হাইনা য়োইহৈচেংনে, চতোংবন থাদা কাখরে অরংবনা নুমিত্তা বারে তসংনা লৈপাক্তা সংচএ। অপ অরংবনা নোংথক্তা লজরিএ। অংবনা অপকমা লজরিএ, মোইরাং লাইস্থ ওইরে। সম্মুং লাইমিংথৌহ্ম ওইরিএ। অহুইবনা নোংসিং লোয়নজখিএ। অকায়বনা হুই ওইখিএ। অঙাইবনা কাসা ওইএ, রায়েন থোঁদাজেএ।

তাওবারোল হুইরোনদি নুংমুনা লকায় পানা, তাওপি- রোই নাইনা কৈ মায়ুং, কাও পানা কাতনপা, পিকাইহুনা হুইতারু। চস্থন্নুনা হুইমিংতাক লৈন্নুং য়াওবীনা হুইরাংকোই, লৈন্নুং ছেগীনা লাংচেং থাঙনৌবা। পাখংবগী হুইদি কলৈ লৈরেন লৈচীকপা কৌএ। লৈপাক মথোঙ্গী খঙবা হুইনে। পোইরৈতোনগী হুইদি ঙালতারু পাহৌ কৌএ চাক খঙবা হুইনে।

তাংপারেংন সম্রাট থায়নগী ডা হায়গে। লাইয়িংথৌ তাইবং পানবা মপুনা নুংকা মহারাজগা, তাংবি লোই নাইগ নুংগ্র তু দ মাংডদবগা অহুমনা ঊনিং মথক্তা অরামপগা অশাংবম মনাংগা তাংখংহনকএ! মৈসন দুপী পোকএ। তাংগি মোই-নাইগা মোই হচেংসু, অতোংবসু, তারেংবসু, অবুপ অরং বসু, অ হুংবসু, অ ডবসু, পিকাইহুং, অডাইপাহুং, অকাইপাহু, অহুইপাহুং মে হরাং লাইশুং পোকএ। মোইরাং লাইনা সঙ্গোং লাইয়িংথৌ পোকএ। সঙ্গোং লাইয়িথৌনা হুইমুরৈ পোকএ। নিংথৌ তাবিনা হুইমুরৈনা থিজএ। মুংডৌইমথংবা পোকএ। পোক্লগা নিংথো তাবিগা লৈনা কাংখলগা নোংথোদা কাখিহনা ++ পুলরোম্বা পোকএ। লৈনুংহেবী কোংডেদি হুইরোই ৫ পোকএ। কা কৌংডদি অকোয়বা, অসাংবম, খুরাম্বম, লৈশাংথেম সরাথেম পোকএ। পিথেংলৈমা কৌংডদি অঙোম পোকএ, হুইমু লৈমা কৌংডদি খুমন লুরাং পোকএ। খাকপী চনু কৌংডদি নোংসানা চিংনা ৭ পোকএ। ফাইপিতেরা কৌংডদি কোকখোম পোকএ। য়ুহালোক লাইনেম, লোক্রু খোমতু খোম্বা মোংঙা ককসা মানশা হেপু কংচিকপা, ঙাংচেং লৈতকপা। নমোইনু মোইরেনবী কৌংডদি নিংথৌ চারানবগা নিংথো খোইরি ফাবা অনিদক পোকএ। নিংথৌ তাবিনা পোইরৈ-তোনবু থেমথোকলুই। পোইরৈতোনগা লৈনাও তাবিগা

++ মথক্ত ঊবিক ইথম লৈবীগা কাংখলগনা পুরৈরোম্বা কট হায়খরে। পুরৈরোম্বা ঊনিসি অমত্তনি।

থোকমিরেএ। তপুংসিংমিংনা পোকএ। সিংমিনবনা লুরাং খুনথিবা পোকএ, খুনথিবনা ++ লুরাং পুনসিবা পোকএ। পুনসিবনা ইরেম নংশংখু পোবএ। নাওসংলুনা য়ুখ চেং পোকএ। য়ুখনচেংনা অসাংবম, অরাংবম পোকএ। অসাং অরামপানা তিনসিজম, লৈরেবম পোকএ। লাইরেমা সনা পোলাংলুনা লাইমিথৌ সনা লৈকংলাংবা। রাই ংলুনা লৈচিক-লেন, সিরিক শিথোমলুনা লৈথমলেন। পিসি কাংশিরেনা লৈতসন। লৈসংলেনা লৈকংলেন। লৈতংলেন চলুনা লৈচিংনা, তংলেন চলুনা লৈতংঙানপা লৈকক লেয়ারেন চলু য়োংলৈমানা, লৈতংবা লৈচিকলেন চলুনা নোংতমথুবা, লৈথমলেন চলুনা নোংতম হনবা. লৈকুরেন চলুনা পোংহনাও, লৈরেন চলুনা পোংখুনাও, হাইলু লৈমনা কুরুমেন থিংথিব। চিংঙু লৈমনা থোমলেন মেনাইদবা, লৈথমলেন চলুনা পোমলেন মেনাইবা, পিসিমলুনা থাঙাংপা, পিসিন থোম্বীনা লৈরোং ঙাং, সিয়াইলুনা থাঙালেন লোংচুম্বা, নোংখন য়াংনে।

++ লুরাং পুনসিবা অসি মমিং মাররা মী অমনি লুরাং খুনাথবরী মচা লুরাং পুনসিবা অম, পামিংরী মচা লুরাং পুনসিবা। চাহ চারঙ পুনসিথিবা, লুরাং পুনসিবা অসি পামিংরী মচা অমসান হা বৈ।

বৈ=লৈশাক। মতাং অ তৈমহেনতি লৈয়ারেন কোবী টৈবেগন, চিংবনা লৈশাক অসিনু মোংগেক মোংচুপ সেবা অসিনাচংবা ত.কশিরি।

থম্রগা পলেমসিংগী পম্লুংদা (গর্ভদা) লৈবা থোঙ, (ইন্দ্রি) বু পন্থুনা হায়বনি।

থীরেন অসি মুমা পাক্রবগা মসিদা য়াওরিবা হীয়াই লৈমানচিংবী লাই হুয়া কয়াগী রা ইরি। মসি মহৌশা লাইরেমাগী ভোক্তান ভোগানবা মঙ্গনি। হীয়াই লৈমাবু হৌজিক্কী দুর্গা দেবীনি হায়দুনা হিয়াংথাংদা লাংনরিবা মফম অসিদা মহৌশাগী অঙকপা য়াই (গুণ) থর লৈরি। ঊশিং হায়বসি অনেম্বদা চেম্বা মসিমি, অদুবু হিয়াংথাংদা চৌংগীস্থ মতে লদা নুং অতোঙবা অমা, নুং অতেংঙবা অদুদগী ঊশিং চেনখংলক্লগা অমুক অনেম্বদা তাথবা অসি মহৌশাগী অঙকপ য়াইনি। বৈজ্ঞানিকশী বাথলদি মখাগী লৈনুংদা চেনবা ঊশিংনা ফাংদোকপা ওদদবা নুং লোন কয়া লৈবদগী মথক্লোমদা ঊশিং চেনখংলকনি. ঊশিং অদুদা থাতুনচিংবা মথল মথেনগী মচাক য়াওরকপনি নিংনৈ; অদু ওইরবস্থ মহৌশাগী অঙকপা ওববা মতৌনি।

লাইরিক অসিদা সন্নাই ভরেংকী পুকোক থম মগী নিংথৌগী মঙ্গিতঃ হবা অদুগা মৈহৌরোন্দা মথং মথং নিংথৌ কয়ামুকী মমিং ইরিবা অসিনদি লাইরিক অসি নিংথেন পাথংবগী মতমদা ইখিবনি হায়বদা চিংননিঙাই লৈতে, অদুবু থীরেন অসিগী মতাং অমরা নিংথৌ থাগেম্বনা লাইনিংথৌবু কৌজবা (প্রার্থনা) তৌবা মতেক অমতং য়াওরি। মতুনা লাইরিক অসিব থাগেম্বগী

অতিক্তেক্তি লৈয়াইরেনা লৈ হোংজেএ। লৈককলেন্না লৈ চিংজে। খৌপিলৈমা লৈজাংবীনা লৈপাক চাওজে। পিসিন্নু লৈ ফুনবীনা নোংপোক পাংনা লৈ ফলজেএ, ভাঙোইমু লৈরাম্বীনা নোংচুপ পাংনা লৈ লামজখিএ, লৈতিনবীনা লৈপাক তিজখি। লৈশিকপনা লৈপাক চিকখিএ, লৈথম্বীনা লৈপাক থমজেএ। লৈখোম তাংবীনা লৈপাক তৌজে, মানগোম তাংনা ককলু মানলু ককসা মানসাজখিএ, * মাংসারিন্না য়ুংহেং-কৈহোবা তমজেএ। সিল লাইনা সিল তমজখি। লাংতেনন্না লৈপাক সেমজনানজনেএ। য়ুংসিংলোন উয়েল-থায়েল সৌজেএ। চিংজু চাংনা * কুসারানশাজেএ। কমতোং কুরেফানলে কোইপীনা কুতোং থাম্বোংজেএ পিং ইক্না মৈ য়াংবা তমজেএ। য়ুকোই সংকোইমুনা হীগুই য়াইগুইজেএ। লোকপু খেংমনুনা ফৌ গুইজেএ। হেম্নু লৈমনা ফৌ উবা তমজে। অকুবীনা ফৌ শংজে, পাউহৈম্নুনা শল সেজেএ। পাউহাইরেংবা শল খোমজেএ। সুমতেম্নুনা ফৌ হোজেএ। চীনখুবী লাইতোং লেংবা পিং পিং খোংনা ইনলঙা কৈরক্তা খোজেন লানকৈজেএ; ২।৪।৬।৮ মশিং অসি খোংবদি ফৈ, ১।৩।৫।৯ খোংবদি ফত্তে। লাইমিংথৌ তনৌ তরেং চরেনপা নাকতা থেংতুনা য়ি পোকই। য়িনা লম লমতুকপু তরেং লাইকুম লাইমৈরোংবা, ছইরিয়া

• য়ুম সবা হৌবা লাইরেম্বী মমিং মঙসরিক।

* কুসারানশা=চক্কাবান সাবা। কু থাং থাম্বোংবা = চক্কু মৈ ইকপা মচু শংবা।

লাই হিংচা, লাইমৈথানবী সাপাইবা, গোংপানশাইহিনথ'ক নিপালমক পোকএ। লাইরেম্মা সিনবীগী মা লৈতংনিংথৌ চনুনা থুমথাক লাইরেনদি তোনতৌইরেংবা, চৌংলাইদি খিংখিং খ.মসা হৌদোংবু মায়াও তোকপাবু মোকয়েক নোংসাবু থারক নোং তারেং, কৈবু আসিসরা, সিনতুবু, সিকমারু নিপালক পোকএ।

লাইরেম্মা সিরি লৈমনা খুম খুম হাহা। খুম খুম লৈমনা খুম খুম মিংথৌ, সিথ্রাইবী, খোংদ্রাইবী, নুমিং নুতম হবী, থাবা লানতম হৈবী, মিংমারু, মাইমরু, সাসীনবী নুমথোনবী, মারিংবী, মরিকপা, শমলিকপী শমলিকপা শমকোনবী শমকোনবা, এইথাং য়েংথাং, উটাক, হামসা লৈরিককাং লাকাং হা তাইসিনহৈবা উতাহৈসি হৈবা কুনমংঙা পোকএ।

নুংমুরেম্মা সনা নুংকাপ তোফবীনা * নিংথে কাংবা কাংখন মনাওদি মরিয়াংফমানচানে। মচলদি সমতাংমুনে, ১দি হুমোইমুনে। মনাইদি এইথাংনে, থাংচেন্নে। চীংঙুরেম্মা থাকপা নিংথী চনুন থারোং লোইরেন লৈমা তারিনে ওমক পোকএ। তারিনা পুয়াং পুরেয়োম্বা পোকএ। মতু অমা হুইনুরেমনা লম্নেকসাং, মুংঙু হুমথংবা, মনাও তোনবা থেংকোইকা অলুম পোকএ (লম্নেকসাংনা হাও এইখিএ।)

---

* নিংথৌ কাংবা কাংখন কৌবা র্ব ব লৈরবাক শ.ন.থ অহনবা কাংবা কাংখমাদ হাম্মকতা পাবিবিবনি "মনামৈ" আইমং হৌদোকাবা। মমাগী মামংদি সিংগীলৈমা লৈফংচহু ন অনিহুবা কাংব-কাংখন অদি হুমচকতা পাববনি। নিংথৌ অসিগী মনাও মরিয়া কমবনে চানা "অয়েক অচিবা" নিংবা লৌংকোকখি।

লাইরেন লোম্পি : ভি.রেন, লাইরেন, খায়িরেন, লিনতাংগ্রেন, তাইৎ লৈনাই। ফিনতাংরোনদি ইথ নিংথৌ ওইরি। তাওরোইনাইদি মুমিং লাওরোইনীবনে। মংভাযক পী লাইফবনে। *

পীনাইবদি : — লৈনক লম্বারেন চয়না লশংলেন অসংবা লৈতোংলেন চয়না লৈরেংলেন হংতোওবনে লৈকুরেল চয়না লৈতলেন ফিতো সারা কোনকু লক্ষু চয়না কোনসৌরেন, লাইয়েক মাইথুং চয়না, ঙৈ নাই লাইবী কুপত্রেংগা সঙ্কেংগা ২ পোকও কুপত্রেংনা হঙোম পোকও সঙ্কেংনা + নিংথেম পোকও পিরিংমু, অহুওহং, মাইরেং হৌবা চয়, নোংদা নোংখনলেন, লৈমুং তাবী, য়াবী য়াগা চনু, চাখাহুলেন, ফিলোনয়াম্বী, লৈমা অহুক ওইবী ইচাও লৈমানে। * অবুপ অয়ংবা পাম্ববনে। তাংরোই নাইনা তুপু ওইনা নুমিত্তা কাখিও, অতিংঙানা পাখংবাবু নোংলুম ওইনা তুপুতা পিরমও, তাওরোইনাইনা তুপু স্নাওগ্নী মমিংদি লিকলেং কৌও। পাখংবনা নুমিত্তা নোংলুম ওইনা লৈতৈগী মমিংদি ওঁওং সন্তরং নোংসন্তরংঙাং তরং ঙাং তালংতা, লংতারং সননোংসন কৌও। অতিয়ানা

• পীর ইববা = পী-নাইবব হায়বদি মমা লৈতব। (অংবোবি সম্ভবা।)

+ বোংবা লাইবেন পাখংবা অনিগী পহৌদি সংত্রেং ত্রবিংবা নিংথেম কৌই ও.রবাসি অাসনা তাওই। মমা ইবেমবী মমিং.ব পিরিংমুবচিংবা মমিং মকম.সনি।

* শ্রীঅতোম্বাপু শর্মা বাজপণ্ডিতন লৈমা অহুক ওইবী নিংথৌতেক্লা

লৈমা অহুম্নক ওইবী সাহুনা রাইচিকসি । না মএ । তুপুনা লৈমা অহুমলক ওইবীদা পিথরকএ, লৈমা অহুমলক ওইবীনা মাওরোইরবগা নোংতা তুবু পলিক কেএ নাংকোস্থা পুশিহুনা কোল্লে কোক্তরে ওকশংনা নোংলৈসংনা কোন থাহুনা কোল্লে কোকর্লে, মমিংদি লায়েন লাংতানোবা কৌএ। লৈমা অহম্নক ওইবীদি ভনোতরেংবী কৌএ, অনিংক অমা ওইনরে। পাখংবনা ভুংথিন্দি লিলগী মশক ওইএ মমিংদি লৈথা কৌএ, অহিংদি মী ওইনা ফয়ে মমিংদি নীংহংস হিংসং কৌএ। তুপুদি নুমিত্তা কাখিএ হত্তিয়াদি লৈরমদ্রে তুপুনা কদাইলমদা হৌখিবনো হায়দুনা জন্ম সাংবা নোংচুপ নোংপোক, থাবাং মাইকৈ নিপালমক্তা থিবাবু ওহুরে, চুথিবা কৌএ, মমিংদি চিবা কৌএ। মমিং চাইবা মারে মমিংদি লমুং খিংখিং-সিংথবা কাগুলেন নিকমক কৌএ। চলদি ওনিনে, অমদি খোংগোক লৈমা ওইরিএ, মমিংদি হিয়াইকু সেরাপ কোংহিনু-ফানু কৌএ। ওমদি অঙোমগী ইমাও লমা ওইরিএ, মমিংদি ঙাংঙোই চুমৈতরেং ঙাংতরেং কৌএ। পাংথোইবীনে, লৈমানামু নচোমপীনা পোকএ।

পাখবী হাংবাস নিংথৌ অহমদ মযুম পা বঙ্গম অথ হনথ। থ লৈরাংসংবাদ হরা হরা লৈপাও কাখরবা মতুংদন্ অহমলক হর নিংথৌগী মহৎবাগী ওইখিবনি। হরিচক্তস্ সনত্রেং কুশত্রেং কোবা নিংথৌ মচিনমর ও ২ পোকখি। হরিচকী সত্ত্রেংগী মতুংগী মমিংদি মত্রেখা, চৈঞ নি। মখিং মাংরকাতনি।

মৈ কী লাইহুইদি ঃ মৈককলেন চমু, পম্মৌ ম । পোকপু লাইহুইবদি লাংকম্পীনা লাইহুই। পলেম মমা পোকপু চাতনা লাইহুইবদি মীকুম্পীনা চাতানা লাইহুই পলেম মমা পোকপু সনা লিক্লাই য়েনবদি সাচিপীনা সনা লিক্লাই য়েল্লে।

মৈতংলেন চমু, পম্মৌ মপা পোকপু লাইহুইবদি মাই-পোকপীনা লাইহুইএ পনলেম মমা পোকপু সনালিক্লাই য়েনবদি মাইরেমনা য়েল্লে। মৈ ফুরেন চমু, পম্মৌ মপা পোকপু লাইহুই-বদি মাংরাইমুনা লাইহুই, পলেম মমা পোকপু চাতানা লাই-হুইবদি মাইকুম্পীনা চাতানা লাইহুইএ। পলেম মমা পোকপু সনালিক্লাই য়েনবদি চিংমুনা সনা লিক্লাই য়েল্লে।

কোনক মৈকু চমু। পম্মৌ মপা পোকপু লাইহুইবদি তুংরাইমুনা লাইহুই পলেম মমা পোকপু চাতানা লাইহুইবদি লাইসনানা চাতানা লাইহুইএ। পলেম মমা পোকপু সনা লিক্লাই য়েনবদি থোইমুনা সনা লিক্লাই য়েল্লে।

লাইয়েক লাইথুংচমু, পম্মৌ মপা পোকপু লাইহুইবদি মৈরিংম্বীনা লাইহুইএ পলেম মমা পোকপু চাতানা লাইহুই-বদি মীরৈমনা চাতানা লাইহুইএ। পলেম মমা পোকপু সনা লিক্লাই য়েনবদি ভহুমক্লনা সনা লিক্লাই য়েল্লে।

মৈমুং ম্মাবী য়াংবা চমু। পম্মৌ মপা পোকপু লাইহুই-বদি থেরেং লোংব চক্লনা লাইহুই পলেম মমা পোকপু চাতানা

লাইহুই=পারি পুরী মমা মপা অকৈকী মরী।
সনা লিক্লাই য়েনবা=বিংথোকী থাবা সংভাকপা।

লাইহুইবদি লৈফোন ওস্নীনা চতানা লাইহুই, পলেম মনা পোকপু সন্না শিক্লাই য়েন্নবদি ওোনথাংমুনা মনা শিক্লাই য়েঙে পাথংবা পোকএ।*

লাইফংথোগী হ্না হায়গে :—

লাইনিংথো অপানবগী কংলা লাইফংথেদি. কারি কারা থৌরাং নোংতম্না, আরাম, আতমপা. উকোংলেন্॥ মংঙানে॥ লৈপাক শেন্না লাইফংথৌতি :- অমুবাচা লৈকারেপা. সিল-কারেমবা. পিসিন্নু রায়েনবা. তৌরেন থুবা তৌরেন হনবা, উরেন থুবা, উরেনহনবা, নোংয়ই চাবি এনবা, খোঙ্মায়েংঙা, চাওরা মপাল কুকপা, মানা খোমতাও॥ তরামরিনে॥

লংমাইচীংগী লাইফংথো : - চীংসাংতি য়ারা কেন্ থাং লোয়েন লানলেম, লোকতু খোমতু, পিরিক পীরাই, নেমতা হাতা, ইকথ লেন, ইরাংয়েন সানপা থাংতোং, ইওলথাং ইরাইবম, লাইনিংথো মিং মরু, মাইমরু য়ারাতি লাইয়িংথো, কোংখাংতি লাইরৈনা॥ তরাতরেংনে॥

---

* পাথংবা অমনুং লাইসবা মকপা লাইশ্রামী পারি পুরী কণবি ঈমৈতে লাইরিক্তি ইতিহাস অমনুং পুরাণী শাস্ত্র থর ভুংলৈ। থৌজিক মিপা অমগী মমিং কৃষ্ণ বৈরাগী শ্রীকৃষ্ণ মুগ ১২ মংতবগুম পাপ্লবা অসি মিংলোন অমনুং মি', লাগী মিং ই.তবাসকি মিংথোগী মমিং ওইবমা যারা ওকপা পোকলৈ।

লাইফংথো=লাইশিংগী থাংবোর্মংগী কম্। লৈপাক সেম্বা ন ই-ফংথো=প্রজা সভাগী মন্ত্রী। কংলা লাইফংথো=রাজ্য সভাগী মন্ত্রী।

থংচিংগী লাইফংথৌদি :— পোলতে পোলাং, ইপুনলেন, ইভাইরেন, ইকাংলেন, নুংচোপ, নুংকাপাক, নুংকাচেং, লাইকাচেং, রানতৌবা, রানঙৌবা, রানমুবা, চারি সেনবা, মকু কুরোন, সারুং লাইতাঙ, লাংচেংসেন, লৈনাই ॥ তরাতরেংনি ॥

মারচিংগী লাইফংথৌদি :— নেমতা সোইতা, ঙাইনিংসিং, ঙাইকপলাক্ থেপা, ংংসন, পুংসন, কাঙসন, চীরোং কানমু, চীরোং লমহৈ, চীরোং-লমসন, পোংথু, পোংলেন সাংবা, থুনমা, থুনচীক, চারিপা, চারিপী, থোয়েন মৈনাইবা, নুংসাংবা, তোলমৈবা, তানমৈব ॥ কুনমানে ॥

নিংথৌ কাংব-কাংথনগী লাইফংথৌদি :— ঙাংলেন সাংবা, ঙাংলেন চাওবা, রাংথু তেলবা, রাংথু সাংবা, কোকপাকপা, লুচাওবা, হে কাংচিকপা, ঙাংচেং লৈতকপা, পোকপী পানপী পালপী, থমু ঙামু, থামু ঙামু, থালচাওপা, থানতোম্বা ইরিক-ইরাইপা, পিথিং পিথাই ॥ কুনমানে ॥

লাইহুইবদি :— লৈমুং য়াবীরোক, পম্ভৌ মপা পোকপু লাইহুইবদি য়াথু য়াবীরোম্না লাই-হুইয়ে, পলেম মমাপোকপু চাতানা লাই-হুইবদি লৈয়ারেম্না চাতান লাইহুইএ। পলেম মমা পোকপু সনা লিক্লাই য়েনবদি য়োংলৈমা সায়ামু সালাই-হনহীনা সনা লিক্লাই য়েনএ।

লংমাইচীংগী মঙ্গীথিংগী মহুংদা হূপী থমা যাওবা লেংবরি। মৈতৈ চহুসিংমা চাওথংলবগী থুমদি।

লাইশ্রা (লাইসারা):— হৈরোং লেনবাচনু। পম্বৌ মপা পোকপু লাই-হুইবদি মৈনু পিসীনুনা লাইহুই, পলেম মমাপোকপু চাতানা লাইহুইবদি ঙানবা য়ু চাখাবা চাগনা লাইহুই। পলেম মমা পোকপু সনা লিক্লাই য়েনবদি ঙমু পীয়াইনুনা সনা লিক্লাই য়েল্লে, থুইয়োই তো-পোক পোকএ।

নোংমোইনু:— পম্বে মপা পোকপবু লাই হুইবদি নুংমু নুংঙৌলেমা, সনা নুংফাল তোংফবীনা লাইহুইএ পলেম মমা পোকপু চাতানা লাইহুইবদি * সিলপী লৈমা লৈতং নিংথৌ চন্নুনা চাতানা লাইহুইএ পলেম মমা পোকপু সনা লিকলাই য়েনবদি চীংউ লৈমা খাকপা নিংথৌ চন্নুনা সনা লিক্লাই য়েনলে, তাঙথিংমাং য়োইহৈ তোননে।

হাওমু খু:— পম্বৌ মপাপোকপু লাই-হুইবদি খুনবী মণিকনুনা লাইহুইএ। পলেম মমাপোকপু চাতানা লাইহুইবদি সাচু ললাং মৈপা চন্নুনা লাইহুইএ। পলেম মমা পোকপু সনা লিক্লাই য়েনবদি হৈনু লৈমা তন থাংনুনা সনা লিক্লাই য়েল্লে। থুইনিং ঙানপনে, পেসিংবনে অনিমক পোকএ।

লাইতোংখু: পম্বৌ মমাপোকপু লাইহুইবদি সম্বোং পুংপুরুম্বা চন্নুনা লাইহুইএ, পলেম মমাপোকপু চাতান লাই-হুইবদি য়াইবিরেম্না চাতানা লইহুইএ। পলেম মমা পোকপবু সনা লিক্লাই য়েনবদি রাংনু লৈমা খোংচোমপী খোংলেন থম্বী,

* সিলপী লৈমা লৈতং নিংথৌ চন্থু হাওবদি কংবা কংথনবী নিংথৌবী মমা নত্তে মখিং মালকপনি।

চাপংলেনবীনা সনা লিক্লাই য়েলএ। * খুইনিংঙোম্বনা পেসিংবা অনিমক্কি, কাওখংবা নাওখম্বা সাপানে মরিমক অমত্তনে হনচিল্লবনে রা অসিনে খণ্ডও।

লাইরেন লোন তু তৌবদি :- (১) নিংথি তৌবদি চীরোং চীচাও থৌবান তৌবদি চীরোং লমসন চীরোং হৈনা, ঈরিন তৌবদি চীরোং লীমচন ইচিথী। ইরোং তৌবদি ইচোং চীংসাং, রাইসেন তৌবদি চিরোনচীয়া সনফাং, লুরাংলি তৌবদি চীরাং কানসং কপী (২) গোরাই তৌবদি চীরোং কে'নমু। তুরেন তৌবদি ইয়ারোং,। তু তৌবা রানে।

লেংাক মাইবদি :- হাংলেন লৈবা, সংনোং, য়িনোং সিরক খাইপা, খামুন তৈবা লাংলা রাইবা, লেশং রাইবা, কোন্তে খুরাই তাংবা॥ তরেনে॥

নিংথে মাইবদি হামলেন লৈবা, চাকুম, পুথিয়া, চেংপুম লৈবা, করৌ সেম্ব, সোংলোনপু, চিরাইতাংবা॥

মাইবীরেন্দি : খাইনুপী, লাইয়িপী, মাংরাইবী, তুংরাইবী, সচিপী, লাংকপ্পী, লাইসরা, খোংঙাইনু কোম্বৌসু, লৈরাইনু, লাইনুসু, চীংথৈনু॥ তরানিথোইনে॥

---

* পেস্পিংবা, কাওখংবা, নাওখম, সাপা মখোয় অসি লাইরিক অমদা লাইওইখি হায়না হৈরি। মশিগী অর্থদি মখোয় মরি অসি সিয়া শিয়রা নিংথৌ ওইখিবা হায়রগী ধর্ম্ম চৎপা কাংবুনি। খুইনিংঙোম্বনা শাক্ত ধর্ম্ম হায়বদি মহাদেব, দুর্গা নিংবা ধর্ম্ম চৎখি হায়রনৈ।

(১) নিংথি=ইরাবতি তুরেন। (২) গোবাই=বারাক তুরেন।

লৈপাক্কী অশৈবা লোন্দি :— চুমেন লৈবাক ৱাক, লৈকং লাংপা কাংগুথু তোংলেঙ, ৱাকু, খানিং নোংঙং ৱাক, ম্নাইথোং সিংথিবশিংসু ৱাক লিন লাবা ৱাক, লেলা খারোই সেম ৱাক, খা ৷ লাংথং-পা ৱাক ॥ অরেংনে।

নোংথৌ অশৈবাদি :— নোংখোংনোং, নোংপাইৱাক, নারু পানারু ৱাক, চোংপা চোংপাই ৱাক, কাপা কাইহৌ ৱাক, নাহাপা-নাসা, মোইরেং চানপা মোইরেং ৱাক থারু অসেবা মোইকাই থাবা, ঙাংতাসিপা ৱাক॥ তরেংনে॥

নোংথৌ অশৈবা খৰ অমদি : লৈমুং কাংথুব, তোংলেংচা খানিং নোংতোচ্চা, ম্নাইথোং শিংথাব, লেরা খারোই শেম, ঙাংনা লেন চাতে সুবা, লেরা খোংচৌং ৱাক, খাপা লাংথংচা ; অবেৎ অমনে ॥

লৈপাক্কী অশৈবা অমদি :- কাংথু তোংলেংচা, নোংখোং নোংলাওচা, নামপা নোংচেনপা, চোংপা ৱাকলেনচা, কাইবা-লোইরেনচা, নাহাপা অপিসা মোইরেং চামপা, ঙকুপেন থক্কী, লাইরেন থক্কী শায়াং খায়না হাইহৈবা তাও পারিবা, চুইচী-শিবা মনম য়ংবু, সেনকৈ তোপ্পা থারু অশৈবা, মোইকাইথা পুরীবা চিকচীরিক॥ তরামানে॥

তুরেন=ইক্ষান তুরেন। তু=তুরেন, নদী। লৈপাক মাংবা=প্রজ মী ওইনা খৰা মাইবা। মাইবগী অর্থদি মৈ থঙবা রজ থঙবা হায়বনি।

লৈপাকী অশৈবা=লৈপাক অর্থদি প্রজা হায়বনি। প্রজাগী ওইনা মমিং চংপা ইশৈ শকপা ১দি কবিসিংনি। নোংথৌ অশৈবা=নিংথৌগী ওইনা মমিং চংপা কবি অমদি ইশৈ হৈবনি।

মতমদা ইবর চিংনিংঙাইনি। অদুগা লাইরিক অসিদা সনা কোরিনচিংবা পোং পল্লিবা, অদুগা চোম্ কাইতোই চিনবী লাইরৈমা সিংগী রা ইরিবা অসিনদি কুইত্রিবা লাইরিকলা খল্লবাসু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদা পোংসিং অসি লৈরবনিনা থোইনা চিংনফম লৈতে।

মঙাং, লুরাং, অদুগা খুমন কোবা শুরুসিংসি মতম বুইনা পুন্সিখিবা নিংথৌনি অদুগা পণ্ডিতনি। অদুমদি ওইরগা রাহে অদুমসিমকসু সত্ব, রজ, তম গুণ অদুমগী অর্থনি। সত্ব রজ তম গুণ অদুসু ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর হায়না খঙনৈ। ব্রহ্মানা মঙাং নত্রগা মঙাম্নি, বিষ্ণুনা লুরাং নত্রগা য়োকখংপা শক্তিনি, মহেশ্বরনা 'তম' নত্রগা হঙবা তমদবা পঙখবা গুণনি। ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর, লাই অদুমসি নিংনরকপদি, নিংথৌ পুরাণ থাবগী হাকতঙ্গা থোকখিবা ভারতবর্ষগী বারিনি। মতৌ অদু-গুম্না ঐথোয়গী লৈপাক্তসু মতম অদুদগী মঙাং, লুরাং, খুমন, নিংনবা হৌখি। মতিক ময়াই কল্লবা নিপা অদুম্না মিংথোল-সিংসি ফংখি।

শয়া হাংরবদা মসি থীরেম্মি, ঐতিহাসিক বারি নত্তে। অদুমকপু ইতিহাসকী মচাক ওইবা খণসেনবা হৌদোকখিবা মীগী নত্রগা লাইগী মমিং ফো হোনবা, নত্রগা লৌ-উবা হৌ-দোকখিবা মীসিংগী মমিংদি ফংবা ঙমই।

লাইনিংথো অগুপ্পা; লাইরেমা অগুপ্পী নবিঙায়ু খুরমনা ইজগে। লৈপাক নোংথো কাকুপনাঙৈগী য়াদে। লৈপাক মমিংদি "কা" কৌএ। নোংথো মমিংদি "কুং" কৌএ। লাইনিংথোনা লৈপাক নোংথো অনিমকী মরক্তা মনা কাংলো-কুমবগী মনুংদা লৈঙৈগী মমিংদি তীংথক কৌএ। মচুদি নপানোংনে। লাইরেমগী মমিংদি কোন্থৌ মরাংম্বু কৌএ। অনিমক্তা য়োং পোকএ মনা নুপা পোকএ।

লাইনিংথো লৈরিলী মতম কুম্মা কম্লবদি মমিংদি মখারিতা কুম্বা কৌএ। লাইরেমাদি পিঙ্গিংবু কৌএ। লৈপাক হায়ৈ মমম পকপদা লাইনিংথোনা কমিঙৈগী মমিংদি (ক) পেংসরী কৌএ, লাইরেমাদি চিংখোম্বী কৌএ। লাইনিংথোগী মমিংদি (খ) মনা তীনপুক খোই কৌএ। মচা মরি পোকএ, অহনগী মমিং তীলমুংকে, য়াইমাবগী মমিংদি তীলঙোলেং, মথং য়াইমবগী মমিং হিংঙিন অতোনবগী মমিংদি মনা তীলঙাংলেন কৌএ। অহানথদি খোঙমরেন ওইএ, য়াইমবনা নোংথৌ ঙোয়ারেন ওইএ, য়াইমাবা অমদি লাইগী নিংথৌ ওইহনে ওইবগা * সম্নাচীং মতোম্দা কয়ে, মমিংদি সম্নাচীং অরেং তাকুম্বা কৌএ, খর কারবগা মিংতারেং তাকুম্বা কৌএ, খা মরা কম্নগা মমিংদি

নপানোং = অমংবা লোং। অগুপা-অগুপ্পী = তাইবংপানবা পুক্কনবু নমক্তা কইনা অতোপ্পা লৈনা-লৈবী নিয়াই থুডি। (ক) লাইনিং খনবা "পানা" কৌই হায়রি (খ) মনতীন পুক্তে হায়নবু ইরি।

• লাইনিং অমদা সম্নাচিং তরেং তকুম্বা কৌএ, "খর" কারবদা লেরকোইরেং কৌএ অমরক খর কারবগা তিরপুরে কৌএ খুমক

থা পুংলেন কৌএ। লাইম্বিংথৌগী মমিংদি ঙাংচারী কৌএ। নুমিত্তা কয়বগা মমিং সংকোলনু কৌএ। লাইম্বিংথৌগী মমিংদি কুপ্তরেং কৌএ। নুমিংকী মথোঙ্গৈনা চংলবদি মিং তোংলাং কৌএ। লাইরেমা চীরোংনু কৌএ। লাইম্বিংথৌদি মথাদা হম্বরক্লে, য়োংবু কুম্বগী মনুংদা চংলে, মচুদি ঙৈগা হুগা অনি তিম্মবগী মচুনে মমিংদি ঙৈতিল লিক কৌএ।

অতোনবদি তাইবং নিংথৌ ওইহল্লে। লাইনিংথৌ কারে। য়াহিপ্পা লাইগী চীরক্তা সনা থম্বাল পোকএ। সনা থম্বাল মনুংদা অতোনবা লাইনিংথৌনা ফমবদি মমিং তৌলতরেং তকুপ্পা কৌএ। য়াহিপ্পগী মকোক্ত ফম্বদি পোংলেনপা কৌএ। তাইবং লাইম্বিংথৌবু লাই লৈরিবা থৈপিক্লা লৈপক চীথেক হরিমক্লা থুরম্বদি সংতারেং কৌএ। কংলাগী মেন্দা হম্পিরুবদি "নিং-কোইরেন্" কৌএ। নংথাং কাগোকপ্সগী মনুংদা লৈরবদি "সংপুম্লেন্" কৌএ, হকোক্লবদি কিং তারেং কৌএ, ইংচাও-লপয়াল কাদা ফম্বদি "পুকময়োল" কৌএ কেনমুগুপগী মপুক মনুংদা ফম্বদি "কেন্‌লিংসং" কৌএ। তাইবং লাইনিংথৌগী মমিং অসিনা থৈবানে॥*

লাই পোকপগী মমিংদি হেরা মণিক কৌএ। নোংসা পোকপগী মমিংদি কোইমায়ুং কৌএ। হম্বিং পোকপগী মমিং বীন তুসং কৌএ। খোই পোকপগী মমিংদি খোইরুরেং কৌএ।

থয় কারণা মিংতরেং তঙ্গা কৌএ থাদা কয়গা থাগুরেং কৌএ।

* লাইম্বিক অমদা ঁ চন্দ্রবিন্দু ইরগা অসিনা থৈবনে হায়রি।

কাঙ, পোকপগী মমিংদি কাঙপিরু লুখোইরেন কৌই, ককচেং পোকপগী মমিংদি লিরি ককুমুচে কৌএ, চিঙ, পোকপগী মমিংদি লাইথিনখোং কৌএ।

নোংখে সোরারেনা ঐখোয় মী ওইবা খিবিকপু † ঈ লুনঙ্গগী মমিংদি তারং তারং কৌএ। লইরিংখৌ থাংচিংনা নিংলুদা হাথঙ্গগী মমিংদি (১) পিশাতাও কৌএ। (২) ওক ওইনা ওল্লবাদি পিসানো কৌএ হকতা চংখরবদি পিসিনথা কৌএ, রাই সাবদি (৩) পিসানু কৌএ। লাইরিংখৌ থাংচিংনা মী শেনঙ্গগী মমিংদি (৪) পিংঙা হে হে হে-হে হে হে কৌই। মী মমিংদি নুং ঙাং তরং ঙাং কৌএ। মী ওইরক্লবদি নাওপিসিং কৌএ। মী মপুম ফারগা কৌবদি (৫) নাওখঙ কৌএ। মী মশক থোক্লবদা নাওমু কৌএ। মী মশক ফারবদা হুঙ ঙাংলেন কৌএ। মীনা নিংসা থোক্লগা কৌদি এখিং হলুং হয়েং মুং মীহৌং মুমারেঙ য়ামারেঙ য়েংহ কৌএ। মীনা তাইবং ফাওরবদা কৌদি লাংপাচক কৌএ। মুপ ন থাদ্রিমখৈদি মমিং অসি কৌবনে। ...পান থ f ঙৈদ মমিং থোলাইদরনে থঙও ‖

---

† মতাং অসিদা ঈ হবব ...ব=পোক্লকপগী বানি ঈগী, অর্থ অমা শটৈ অমনা চকগাংদগী থোকপ. ঈ (রক্ত), অর্থ ১চা বীর্য্যরি। ঈ অহুমা পুকহুংদা চংখরগ করি করি মশক ওনবা মাহু তাকদি।

(১) ক হওবা লাইরিক্ত "পিতৌ" অহুয় ইরি। (২) রাই ওইবা ইবমু থোংনৈ। (৩) বিক্তু (৪ মীংঙা চৌংহে হে হে হে হে হে কোইম হাবনা ইরি। থাওখঙসি ওকচাংথেংমু কৌই হৈরা। মত ২০

১ ...

লাইরৈমা লৈমারেন্‌গী ৱা হায়গে :— লাইরৈমা লৈপাক মরোল ভরেংকী মথাদা লৈবী, মশম চাপাক্পা লৈপাক মরোন ভরেংমতা কক কাবগুঃ। লৈবী নংগী নমিংদি লৈতিনসং কৌএ। সনা কাংগোক্‌কুমগী মচুংদা লৈঙেদি লৈতৌন খ,কপাসিঙ্গুম কৌএ। লাইরৈমা অনিথা পোকএ। অমদি ছুয়াই কোকপী কৌএ. অদি জীলাই কোকপী মীরেংষু কৌএ। লৈমরেনগী মকোক্সে।

লাইহিংবোমা নোংঙম শংদগী ইমক্কগুম ককথাইরকচৌ মমিংদি চেংপা ঙানবা কৌএ। চেংপাঙানবামা চেংপী ঙানবী পোকএ। চেংপী ঙানবীনা লৈনিং কোইবা পোকএ। লৈনিং কোইবনা মীহিংলেন সিদবা পোকএ। মীহিংলেনা ভঙাং পোকএ, ভঙাংনা ছুংঙাংলেন পোকএ। ছুংঙাংলেনা ভুমমহিং পোকএ, ভুমাহিংনা জোইজনৌ হিংবীং কৌরে। ফৌথী ওইনবা হানে। *

চৌংগী মিং হায়গে :— সনচৌংগী মমিংদি ঙাক্তরেং কৌএ। মোংপোক সনাখিং কুরুচৌংগী মমিংদি ওমকুদুপজরং কৌএ। মোংগী চৌংদি হরেন হাপাই কৌএ, চৌংখেদি সনাহম্পা ওমলাং চৌংঅরেং কৌএ। লংমাইচৌংগী ৱাখা-পাংতা লৈবা হাম্না মাবা খুংপুল চৌংদি তরং হরমুনপা কৌএ। লংমাইচৌংদি খোমতঙ্কং

লাইরৈমা=লাইগী লৈমা। লৈমাগী অর্থদি প্রজাগী মমা ওইবা হাঙ্গবদি। লৈমারেন=লৈপাকী মথা খোর ইবগী খোইবী। লৈমাগী অর্থ খুননা "মাগী" লৈমরেনগী অর্থবা মহারানী পাটেশ্বরী।

* ফৌথী ওইরবা হানে হাংবদি মচা পোকবা-মিংবা খীচা পেংকপা মাহাক।

কৌএ, চীং নামুংবদি ময়া তাকুপ চীংনাখাম কৌএ। কৌপরেন চীংদি পোং মক্ক চীং কৌএ, থোংঙাক চীংদি সিরা কোংতী চীং কৌএ। পিংম্ চীংদি লৈস্নমলেন্ লৈখৈ চীং কৌএ। হৈপোক চীংদি মকু পীরেন চীং কৌএ। চীংথাংদি হ হুম্ হঙম্ ভুইংখৈ কৌএ চীং মমিংনে।

মাইবনা † থীরেন চন্নবা হায়গে ঃ— লৈপাক মাইবদি হামলেন লৈপা সংনোং যুনোং, সারক খায়বা, খামুন তৈবা, লাংনা রাইবা, লৈশং রাইবা, কোম্ভে খুরাই তাংবা॥ তরেংনে॥ অসিগা নোংথৌ মাইবা হা লেন লৈপা, চাকরা পুথিয়া, চেংপুম লৈপা করোলেমপা. সোংলেনপু. চিরাই তাংবা। তরেং অসি শুপিন্দুনা তরানরীমক্কী মথক্ত তোংবদি খিরুয়েন লাইনাইপা, উরুমলেন সানাইপা নোংনাংলেন, অপোংবনে। অস্থকপু হুন্দা অঙাইয়েংা পুখংলকএ, মমিংদি ঙং সম্ভরং কৌএ। নোংহুম শংদা লৈএ অচাকপদি নোংসিং লমদি, সম্বোংনে থারানা ঙাকএ। লাইচিদা চেংঙানা ঙাকএ, মৈরমদা য়ুচেংনা ঙাকএ, মিংলমদা য়ুহানা ঙাকএ। মরিমক্কা ঙাক্লবগা সুরৈ নিংতোংবা তন্দুনলেন মৈনাইবা কৌএ। লৈরংলেম্না তাথংএ। তরেংমক্কী

---

† থীরেন=থিক্সিন থোংচিনবগী অংথাইবা। থীরেনগী অর্থ অমদি "দর্শন" নি। খুরাই তাংবা=খুরাইদা তাংহনা লৈবা।

ব্যাস, বাল্মীকিনচিংবা মুনি ঋষিবু ঈশ্বরগী মশক্তি হায়রঙম, মাইবসিং অসিহ ঈশ্বরগী সবামহৌগী মশক্তি থবৈ। লাইনিং অসি মোন্দুনা লাই নিংলগা লৈপাকী অরাবা কোকই থবৈ।

লৈপাক্তি নোংহুমশংনে। তরেংমকপু অমহা ওইনা শুপচি। লৈবদি ঙাংতুম হীংচী কৈএ। লৈপাক্কী কোরোংদি লৈতংলেঙ্গা লৈতাং সাংপা। নোংথৌগী কোরোংতি নোংতং লেংনা নোংতং সাংবা কৌএ। কৌরোং অনিমক্কী মরক্ত হুই ওইনা ফোংগাং তুনা ফম্বদি ঙাংতুরেং কৌনা ফমএ। মানা ফমলগা লৈপাক নিংথৌ নুমিৎ থা পুম্নমক মারা চেংলে। থীরেন চনবা রাদি অসিনে।

† নোং কৌনবা রা হায়গে :- "হ হুম্ হ হুম, হ হুম, হ হুম, হ হুম, হ হুম চুচীরিক তিচীরিক লৈপাক মরোল তরেং নোংথৌ মরোল তরেং, নুং মরোল তরেং, ঈশিং মরোল তরেং, শুং হনএ। খোইতোপী খোইতোপা, বালসোপী বালসোপা কোনসোরেন নং শোখংলকও। খোম্মুকনে। নিংহৈও মালেম লৈ-পুরন্ধী নং পুখংলকও, করো মোংবু খোনপী নং খোনখংলকও কুরুন কুরুম, খু খু খুখংলকও। নোংসিং নংদি নমৈননা কাঙদিগনো, ননা হুমদিগনো অনাসিননা মুংহৈবিগনু নমুং নাইপিগনু। নাপিতোন পিরকও, অহুইবী নং হুইপিরকও চীংঙাংলেন নং চিংখংলকও, অর পা নং লংখংলকও। মী মানিকও! মোংপোক নং থোংখংলকও, চীংঙু খোইতোপী

---

† নোং তাম্রবা অচুবা চৎপা মীনা থবক অসি তৌরবদি নোং তাই। লৈবাকী অরাবা কোক্কৈ। কবাওমনা মীগী থবক থানা থুগাইনবা নোং কৌরবদি মাহাক অরাবা নংই।

খোইতৌপা লাইয়িংথৌ মথাদা কম্বা মীতুম লেঙ লৈঙখৎলকও লাইয়িংথৌ মহা অহাবা হাখৎলকও।"

রা অসি কপোং কানাত্তা ইতুনা খরি খুদেংদা ঈশিং হাপতুনা তৌংও, য়ু সিন্দফমদা থমও নোং চুবনে। চুদ্রবদি খরি মহীনা ককচেং মখুন্দা হৈজিন্দুনা সোঙ্গো নোং চুবনে। মাদুদসু চুদ্রবদি লৈপাক অরুবদা খুপোম অমা ময়ুং মফে খুৎতুপ অমা তৌতুনা নাকোং থিংজিনা সোঙ্গো তাও, চুবনে॥

+ চৌংখৈগী রা হায়গে :- লাইয়িংথৌ নোংপোক পোকলেন্না হে লাইরেন সিদবা নংদি লা-ও কৌএ। লাইরেন সিদবনা চঙখিরগা মবিংানা লৈপাক নোংথৌ খুকম্ চেৎনবা হায়নরে। নংদি, মফমদা লৈহারো হায়তুনা কমুপোং খুঙো সিন্নরমলে। লাইনিংথৌ নোংপোক্কা হৌখিজগী মমিংদি সংগাতোনবা কৌএ। কংপোং পুং লাইরেন সিদবনা লমথন ঙইনা লৈংগী মমিংদি তোংসংপুম্ অপুম্বা কৌই। লাই না-মুংবদি নোংপী চীংদা ৎল্লে, মমিংদি তোং কাইরেন তোহিংতে কৌএ। লাইরৈমাদি হীংতেহুংকোইনু কৌএ। রাপা চীংদসু

কপোং কানা=ঈশিংনা হোবা কবোকং পান্বী মালবা কানা পান্বী
য়ুসিফম=ইচুম তাৎন।

+ চীংথৈ সান্নবা হায়তুনা অহলনিংনা হুঁিং খোকাঙ্হৈব মন্না করুব হেনপালাবনা চোংবক্তম চোংতুনা সাইন। মতাং অসিদা চিংথৈ হায়কপদা ভগবান্ লাইনিংথৌবু কৌতুনা হায়জবা তাকাদি। অতি (হায়জবা) আস থাগেম্বা নিংথৌনা কংচবদি হোয়রি।

লমখন ওইরে, মমিংদি তোংসরেং কৌএ। লাইয়িংথো নোংপোক পোক্লেম্না চীংখৈদা লাই সোনবাদি তোম্বরৈ চীনচা তোম্বা তাংখুরোংবা কৌএ। মখা ঙাকপদি কুমাইকোন্ কুমাইসাং, কুহীংচী কৌএ। মথক্তা ঙাকপদি লাইসাতাও নোংসাতাও কৌএ, খুৎনেৎশি মায়াচিংনে, মমিংদি ওকুপী সানোই কৌএ, তীন্ নামুংবনা পনলাংখম ওইনৈএ, কোয়না ঙাকএ মমিংদি * মী মাণিক কৌএ। লাইমুংবনা সোয়ারেনা থকুখন (থাখন) ওইনৈ মমিংদি (১) সনা চাংতোনলেঙ, পাংঙু ইচাং নিংপুন অপুম্বা কৌএ। কৌপরেম্না মাইওক ওই, নুংকোইরেন নিংসনা মিৎয়েংসন কৌএ। লংমাইজিংনা নমখাং ওইএ, মপু সীনবা সীনকোইরেন কৌএ। য়াংখা পাত্তা লৈবা হানা সাবা চীংগী মমিংদি তরং হয়মুনপা কৌএ, চীং অতুগী মথাদা নোংপোক সিদবনা লাইরেন সিদবগা অনিমক্তি শান্নবৈগী মমিংদি তুমিন হীং ঙাং তুমপা মীহীংচী কৌএ। লৈখাদা লৈবৈগী য়ানে। চীং অতুগী মতোন্দা ফম্লবদি তিলনপ, মণিক কৌএ। চীং অতুদি লংমাইচীং অহানবনে। কম্বোংপুডা লৈবৈদি শিরি লৈহিংনপ, তীল তরি মিহিংচি কৌএ। লাইরৈমাদি মীহিং কোয়ুবী কৌএ। চুংদি ঙাংঙুবা কৌএ, থাঙদি বুপফেৎ কৌএ। চীংখৈদা ফম্লবদি কুমাই হীং কুহীংচী কৌএ। নুংঙৌ তীন

---

* লাইয়িক অমদা মায়া মণিকম্ হায়বি। (১) সনা চাংতোন লেংবা চাঙা য়িংথো পাংথৈ চাংনিং অপুম্বা কৌইম্ ইরি। তিলনপ মণিক্ হায়বদা চিয়পী মণিক ইরি।

য়াঙৌবগী মথক্তা যংানে। নোংচুম, শংদা লৈঙেদি নোংপোক পোকলেনগা লাইরেন সিদবা অনিমক তিন্নৈএ। তুমাহীং থাংচু হী চীসং তানৌ হীং মীহী.চী কৌএ। থাঙদি বুপুরেংবা বুপফেং চীয়াং থাঙ্নে। লৈপাক শেংগে হস্তোক্লকঙৈগী মমিংদি ওং লৈমহীং কৌএ। থাংদি সেংকুপফেৎ ফিরাক থাঙ, খুৎসুদি চীরংলেন্ ঙাংচী কৌএ। কংলাগী নমলোন্দা লৈরবদি তীল তনৌ হীং মীহীংচী কৌএ। চীরক্ত ফয়বদি ঙাং হীং ঙাং তরংবা কৌএ। + ওইদি মীহীং মম্নু ইয়া কৌএ। থাঙ্দি মীপুন মীঙাং চীহীং কৌএ। মেন্দা ফয়বদি মীহীংতোং মাণিক কৌএ, ওইদি তেতে হীংমাণিক কৌএ। মাপা থাঙ-কোং পীবদি এংতা শুই. চীরংলেন্ কিংনাইবদি ওইদা শুই। মিৎমরু নিয়েংসেং। মাইৎক ওইএ। চীংতোন্দা তোংলবদি মীতোং তরংবা কৌএ। ওইদি তাতান্নু কৌএ, থাঙদি মীপুম তিনফকুথোক থাঙ্ কৌএ। খুৎসুদি চীকীং মাণিক কৌএ।

+ ওইদি=তুপীদি লাইরৈমাদি। চীরোং চীনাইবা লিলদী মথক ওইবা ভাওরোইনাই (অনন্ত) গী মথক্ত ঈশ্বরন হৰ. চীরক্ত, চীরোঙ্গ ফমনচিংবা হায়রি। ঐথোকনী অপঙ্বা বাখল্দা ভাওরোইনাইবু চুমনী লাইরেন কৌব লিল উরগা পাথংবা উরে হায়রৈ। ভাওরোইনাইনা মীওইবদা উৎপা মতমদা মচীম্নু সেন্দাং মচানী থাম্বাৎ মাদি, মহৈগা মরাগা চিকলি.য় উম্নরগা লাইরেন উনবদী লাইচুবা তোরে হায়রৈ। বৈজ্ঞানিকী বাখল্দা য়েংলবদি প্রকৃতিগী মহুংদা লৈবা অঙকপা লিল, অদুবু ঈশ্বরগী শারোংবনি, মাবু উরগা ইপা ইবুঙোবু থঙ্ই হায়বদগী পাথংবা কৌরৈ

চিংচ মতোন্দা ফমবদি আঙ, চীহীং কৌএ, ওইদি সংকাইন্নু মপিক্ক কৌএ। কেক্রুপান্দা ফমবদি হাকান্ মীহীংচী কৌএ। লিংকোন্দা ফমবদি লাইরেন ভোংচীপাম ভংক্রবং মুপভোংহীং কৌএ। চুংদি ভাংকুপ, থাভদি কুপকেং কৌএ। ইমুংগী মুঙা মন্নুংদা ফমবদি নুংঙা নপথু নুংচিরংপী কৌএ। থাং ফমবদি পিমী হিংলেন কৌএ ওইদি হীংং খিরিক হফিং খরীক কৌএ। মুমিং নুংদা ফমবদি ভাংতুবং মীহিংচী লৈহীং লোংকীংথৌ কৌএ।"

(ৱা অসিদি লাইনিংথৌ থাগেম্বনা লায়িংথো কৌনবা ৱানে।)

কারণগী ৱা হায়ুগে:— উসোই ইরাংথমদা লাইনিংথৌ খৈবিক্লা কারণ মরিমন্তা, লাইনিংথৌ মরিনা লৈপাক নোংথৌ তুনা ফম্লিন্নুগী ৱানে। চিরা অমদা লাইনিংথৌ লৈয়িং কোং চিরেননা, লৈকোংলেন্ কিংনাইবা ওইনা ফমএ। তভাকপদি কোং নিংথৌনে। চিরা অমদি লাই নিংথৌ কোংস্রোরেং লৈকুরেন কিংনাইবা কৌনা ফমএ। তভাকপদি কোংথিংলেননে। চিরা অমদি লাইনিংথৌ অপুম্বনেং-এই হায়রকপা পেংবা সানোইনা হীং কাকীতং কৌনা ফমএ। অভাকপদি মাংতভাইবনে। নোংথৌ সোরারেন্না চিরা অমদা সনা থগাল মতোন কৌনা ফমএ। মরিংক্লা ফমগা গুরুগা অপানবগা অনিমক্তি চুংচুং ময়াই লৈপাক নোংথৌ তুবগী মতোন্দা চুংনাংলেন্ অপোকপা কৌনা ফমএ। লাইরেন য়াংবী খুদোন্ পান্ ইমুহাও কংলা

ঐতিহাসিক মীসিংগী মম্নিংদা পান্দুনা লাইনিং লম্বীগী বা ইবদগী খর চিংনবা পোকহল্লি। অহুগা করিগুম্বা মম্নিংদি লাইনবী মম্নিংনি হায়বদা চিংননিংঙাই লৈতে।

পাবিম্বিবা ইঙো অহৈ-অসিংনা হেল্লা কজবা নিংচিং (টীকা) পুথোকপিদুনা মৈতৈগী তুংগী মিংশেল ওইহনবিনবা নিংশিংজরি।

ইতি —

থোবাইগী
য়েংখোইবা ভাগ্য
তাং ৮। ১২। ১৯৮৮ ইং

তুবা াংদি প লেংথোং লাইনে। খুদোং খুঙাই খুনঙ্গ মৌথিবনে, মথোইনা ওয়ান্নে, হক্চাংদি ইমচাওনে, থুরাক্লি কংলা-চুংরমনে চীবুক্কি ফম্তো ফম্নে, মেনদি থুতোন্নে, মুনিংতি নুংকোইকীদা লৈবা পাং অহুন্নে, মনাতোন্দি খাপ্নু লাইপুং উপোং পাং পুংকাইফম অনিমক্কে। নাকোং মথেংদি স'রম থোঙ্গা নুপী থোঙ্গা অনিমকুনে; খাম্বাংতি লু চাম্ফমে, নখোংদি অম্বাং শিংথফম, নাতোন্দি থোংগ্রংনে। খিংথেম্বা ফম্বা অহুবু নোথো মতোন কোব্নে, খদাংনু মথাক অহেন্নু মম্দি লুরাং নোংহুম ফমনে, মখেনা নোংমৈ কাপ্পা লোইশংগী পাং অহুনে. লৈক্তোম্বা (১) কাংপোকপনে, খুমাং অমনা কোন-লোইরেনা মৌব্নে, খুমাং অমনা চোপ্রুকী পুং মৌবনে। মশামা শমতোন পান কোনবিএ মচি মাপন্না পালঞ্জ, মংতাক্লি গুরুনা থোইত্তোকলে। অহুমদি কুম্না ওইএ, অমদি যুদ্ধীরেন ইবুং ঙক্কৈনেএ, অমদি চীথংলেন ডাংচী কোএ অদুদি গুরুগী খুংগু ওইএ, অমদি বাংকোন্দা লাম্না লৈএ, অমদি লাংলংদা লাম্বা লৈএ।

মৈথোরাবোবগী থু হায়রগ ঃ— * মৈথারোন্দি মৈথক্রেন চহি লৈচীক ডানবীনা নোংরক্লেন অথুবা, মৈথবেন চ নাংকুরেন

---

† লেমবেং লাইশী লৈকম অসি কংলা পুকোবনা ... আকনত্রি। (১) কাংপোকপী হায়রিব ... থৌজিক ... এ ভবিষ্ট শেখিবা মতম অসি ... লায়রৈ।

* মৈথকলোন্ লৈথারোন হায়বা অসিদা পোকইরেতোমগী শাসে পরেং হায়বকপা অসি লৈথারোন কৌনৈ। অহুপা মৈথৌমৌবগী কৌই ;

অহনপা, চিংন্থু লৈমনা কুরুম্লেন মৈনাইদবা, হাইন্নু লমনা কুরগেন মৈনাইবা, পিসন্নুনা নিংথৌ হৈরোংলেন লোংচুপা পিয়াইন্নুনা নিংথৌ হৈরোংঙাং থাঙারেননে, মনাওদি পোংরৈ তোন খোংফাং অতোনবনে, মমিং অঙখোতেক্ কৌএ। মচাদি লাইশ্রা তৌত লৈমনে।

- লাইরেন্ লোন পিনাইদবদি :— তিতিরেন, থায়ীরেন, লিনতাওরেন, তাওরোইনাই, ইখে নিংথৌসুং মানা ওইবনে, মুমিৎ লোইনবাসুং মানে লম খম্বসুং মানে; লাইনিংথৌনা নেৎনা তোংনরিবসুং মানি শচাইসেনসু মানে।

লাইরেন লোন পীনাইবদি :— লৈকক্ লয়ারেংা লৈশং-লেন তাংসাংবা, লৈতংলেন্ চন্নুনা লৈতোংলেন অতোঙবা, লৈফুরেন চন্নুনা লৈতংলেন লিনতাংপা, কোনফু লৈফু চন্নুনা কোনসৌরেন্ লাইয়েক-লাইখুৎ চন্নুনা কুপ্তরেং, সেনতরেং অনি পোকএ। কুপ্তরেংনা তঙোম পোকএ সেনতরেংনা নিংথেম পোকএ। পিরিংন্নু, পন্থমন্নু আরৈ মাইরেঙ হৌবা চন্নুনা নোংদা নোংখন লেম্বী, লৈন্নুং য়াবী য়াখা চন্নু, চাখা মুরোন পীরোন য়াম্বী ইমচাও লৈমা ওইবী, লৈমা অহুম্লক ওইবী, নিংথৌ অহুমলক পাম্নবী লৈম্নুং য়াইবীরোক্না লাইরেন পাখংবা নিংথেম রানে। *

---

* মোংদা লাইরেন পাখংবা অসি অপানবা অরুবা লাইগী শাইওনি নিংবৈ। মাগী মংাগী মমিংদি সনতারেংনি মমিংনা নিংথেম ওইগনি থৈয়ে। হয়া চকতাম্ মথক্ত হাংখরে সেনতরেং কৌবা নিংথৌ অমা পোকখি। মাগী মহারাণীগী মমিংদি সন্নেরীপা চৈপ্রাগনি হায়না হৈরি।

অঙোম লোনদি:— লাইএক লাইখুং চমুনা কুপ্তরেং,
খারপা নিংথৌ চম্নুনা পুরিংলেন চৌংরাংলক্কী পুরৈরোম্‌নে।(১)

---

(১) চৌংরাংলক্কী পুরৈরোম অসি অঙোমগী পুরৈরোমনি। পুরৈরোমগী মরমদা র বি তোঙান তোঙাম্না লৈখি। অঙৌপানবনা মৈরবাক অসি নিংথৌ লৈরবদা নিংথেম পাথংববু থিক্লই। মহাক্ক ব্রহ্মপুত্রগী মক্লা থংহ্লুনা পুম্বকখি মরম অহুনা নিংথেম পাথংবাবু অবাংবা লমদগী লাকপনি হায়হ্লুনা মোংদা লাচেম কৌবনি হায়বনৈ। কনাগুম্বনদি ব্রহ্মপুত্রগী মম নত্তে, থোবাল তুরেল মক্লগী থুংকোই গুক্র দ লাই-নিংহ্নবা লৈরবা নিংথেম পাথংবাবু মৈথিং লোমদা লাকমিন্নরগা ককচিং ফাওহ্লনা ইম্ফাল কাওবা অঙৌপানববা পুম্বকখি। লমথাংদা মৈগী মথক্‌ম দু হেনবা নিংথেম পাথংবাবু উবদা মীনা কনানা কনানো হংনাথ। অঙৌপানববা তাকবিংদহ্নবা মরৈ থৈবা লোম্না তাকখি। মরৈদা নিংথেম পাথংবনি থঙলববা লৈবু গুমহ্লনা পুম্বকখি মরৈ লোম্না থুমখি হায়বদগী পুরৈলোম কৌনখি। নিংথেম পাথংবনা তাইবংদা মীওইবা পোক্লকপদা অয়ংবা অঙকপা থৌবানমচাক মাথী তাখি। মহুগী মতুংদা ইবুঙাস পোকখি। হৌজকমু মীন থৌবানমিচাক মথী তাবগা অঙাং পোক্লে হায়নখি। অঙকপা থবক কয়ামুক থোকখি মমম অম্নুগী মাবু নাং-থোনদগী তারকপা নোংদা লাইরেন পাথংবা কৌনৈ। মহাক অসি কংসনা পাথংবনি হায়নৈ। মথুরাদা কংসগী কারাগারদা শ্রীকৃষ্ণ পোক-লমদাইদা তৌখিবগুম অঙকপা কয়ামুক থোকখি। থাগী মচিদা থৌ-বানমিচাক চঙবা হুমিত্তা গ্রহন তৌবমচিংবা কয়ামুক থোকখি। মৈতৈ কসিংনা মহু পুন্নক অঙকপা কংনা হায়রমই। মমা ইবেমা থাংবোক অসিনক দৈবকীবু পৃথিমাতানি হায়বগুম তাইবংপানগী মবেমখি, নিংথেম পাথংবমা গুরুসিদবনা মী ওইবা লাকপনি গুরুসিংবগী মচানি, ঐতৈব

লৈশাংথেন লোনদি :— শিরি লৈমনা খুমখুম নিংথৈ। খুমখুম লৈমনা রান্নে। সিলপী লৈমা লৈতং নিংথো চন্নুনা নিংথৌ কাংবা কাংখন্নে। লৈমা তারিন্নুনা থাবোংনে. হৈন্নু লৈমনা লমলেক সাং হাও ওইবা মুংঙৌ ইমথংবা অনিমক পোকএ। লনলেক সাংনা হাও ওইখি, মুংঙৌ ইমথংবনা লৈশাংথেম ওইহৌএ। (২)

লানবিগে লাকখিবনি হায়রৈ। মীওইশনা মচা পোক্তুরৈদা নিপা অহুমী চকসাংগী মহী মনুংদা অঙাং ওটনবগী পিক্রবা অনচি অম থ-মসেং মরু মনুংদা থমনা কুন্দুনা লৈবগুম লৈরি। মাহুবু সমামচৌ কৌই। মচু গুরু সবগী মচানি, সমামহী অহুমা ইমাগী পুকচুংদা চঙলগা মাইওরুরগা পাথংবা ওইদুনা লাইবং কাওরকই। ভাইব. কাওরিব জীব অহু পাথংবনি, অহুগা মনুংদা লৈরিবা অহু সমামহীনি, মহ খুঁ মশা অংচুন ফোঙ্গ্রিবৈদা সমামচী. কোংলগা পাথংবা। সমাংচীবি থাগৈসেংব: গুরুসিদবনি অমাং-অত লৈতবা গুরুগী মচানি কলপতরুনি।

(২) মৈতৈগা কবুইগা শকমান্নবাদগী কনাগুবা ইউরোপিয়ান লাই-রিক লেংবদা মৈতৈবু কবুই হাওনি হায়খি। লমলেক সাংগী মচা-মগুদি মৈতৈগা মান্নগনি। লৈশাংথেম শটৈগ কুইরবা শাগৈনি শাগৈ অসিদা পোকখিবা কংবা কাংথমা সমামহী মিংবা হৌদোকখি। ভানবা শটৈগদা অতোপ্পা কাংবা কাংথন কৌবা অমম্ব পোকখি। ভানবা শাগৈগী কাংব কাংথনগী মচাখিংনা চীনানচিংবা শাগৈ ওইখ। কাংবা কাংথন অসি মিং ম মরুবদগী থোবাইগী চিংনবা পোকৈ। অনিমক শটৈগ তোঙান তোঙনবদা পোকখিবনি। অহানবগীনা হরিচন্দ্র

মোইরাং লোনদি:— লৈক্ষুরেন চনুনা য়ুচেং লৈলেন চনুনা য়ুকোরেন। লৈথয়েন চনুনা সনা খিং খিং লাংব, লৈনুং য়ুপুরোই চনুনা হেপুকংচিকপা, ভাচেং লৈতকপা অনি পোকএ। লৈনুং য়ুপুরোই চনুনা উরেন হনবা, উরেনখুবা অনিমক্কে লৈনুং য়ুচাখাচাগ ভাংসাবীনা ভাংহুনথোকনে, থোকচোমনে।

মোইরাংথেম লোনদি:— লৈনুং য়ুচাখাচনু ভাংসাবীনা ভাংনিংসিং পোকএ।

খাবা বদি:— লৈশীবেননা তৌরেন খা, লৈখোমলেন্না তৌরেন খুবা, লৈরাই নিংথৌ চনুনা তৌখারেন লৈথমলেন চনুনা তৌতিংতৌ, খাবীনা খাবা লৈরেন লৈশং লেননে।

ভানবা বদি:— লৈচীক নিংথে চনুনা ভানবা লৈচীক চিক্লিবা নিংথৌ কাংব কাংখন লৈমা ভারিনুনা অমরক হাথবদি কোকোইনে, তেনানে, য়াংমানে, তেসরোংনে, উরেন খুবা, উরেনহনবা, ইরেম, খাবী, লংবা মাপল অসি পোকএ।

১। কেংকোইন পোং পোকএ।
২। তেনানা লৈতে মানপী পোকএ।
৩। য়াংমানা মায়াং পোকএ।
৪। তেসারোংনা তখেন পোকএ।
৫। উরেন খুবানা কুমু পাথান পোকএ।
৬। উরেন হনবনা মোইরাং, থোকচোম পোকএ।

অকোকমীনা লাপচক্তা পোকখবান। অম নতুনা, মংথৌ মমিং— কাংবা কৌবা লৈমমা কাংখন কৌবা অমতু পানখি।

(৮৮)৮

৭। ইরেগ্না তুমি পাসা পোকএ।
৮। খাবীনা খাগী‌গা, চাইরেনগা পোকএ।
৯। লংবনা মোইরাংগা, লাংতেকা পোকএ।

মী অসিদি পাখংবাগী মমাং চক অমরক্ত পাল্লমএ। চাক্তি কুকুরুপী পাল্লমএ, ফিদি চীং পাংথিদা পাল্লমএ। হুমদি থুন-নমপী উদা পাল্লমএ শা-দি শায়াম্দা পালএ, ঙাদি ঙা-য়াম্দা পালএ। শিংপোং-লোঁপোংতি হোইরকা মথং। চংএ। মী মরোন অসিদানে মখোয় অসিনা হৌখরগা লোইরে। মী-লাই মরক ওইতৈগী রাদি অসিনে।

চক্কী নিংথৌরেন্দি নিংথৌ কাংবা লৈমা কাংখন নিংথৌ-তারী লৈমা তান্নু অমরক্তি কোংকোইনে তেমানে, য়াংমানে অসিনচিংবা।

(অতোপ্পা লাইরিক অমদা অসুম্না ইরি :— চক্কী নিংথৌ-রেন্দি শাকক্পা, রানকক্পা, কক্সুবা তোনকোনপা, শিথিংকোই, লানপীচা তরুক অসিনে।)

পাসাগী নিংথৌরেন্দি :— হৈংলোং, অসীনে লাইনে, তিনমুন পোংলোং অমো, সাসিল্লেম সাসাহা, নোলোনলেন ‖ তরেংনে ‖

পাথাল নিংথৌরোন্দি : — ককলা সা, পরোন্সা সাকপ্-তোন্ সা, সেত সা, সীন সা, এংসা, ভৌউং সা ‖ তরেংনে ‖*

---

* পাথাল অসি পাঠাব ওইবা নাই। "সা" হায়বসিনা 'সাহ" হায়বা মালই। আকপাবিত্তাবদা পাঠাব মরক্ত মৈতৈগী শক মানব লৈ।

হৌদিক্তি লাইসারা (১) হেল্লোই তরেৎমক্কা সল্লাই ওইনা খায়থোকপগী রা হায়গে।

১। লৈকক লৈয়ারেন চন্নুদি লাইসারানে পাখংবা কোনএ নিংথেম পোকএ।

২। লাইয়িবীদি, মাহুমন্নুনে নোংলুম কোনএ অঙোম পোকএ।

৩। লাপুবীদি মরৈন্নুনে হামেং কোনএ খুয়োনথেম পোকএ।

৪। মাংরাইবীদি, তলথাংন্নুনে শামু কোনএ খুমন পোকএ।

৫। তুরাইন্নুদি, থোইন্নুনে ইরোই কোনএ লুরাং পোকএ।

৬। শচীবীদি, চিংন্নুনে শজি কোনএ মোইরাং পোকএ।

৭। লাংকপশীদি, থেরেংরোংপম চন্নুনে কৈ কোনএ (২) ঙানবা পোকএ।

(অতোপ্পা লাইরিক অমদা অম্নুমা ইরি "লাইসারা হেল্লোই অনিমক্কা সালাই খায়রকপদি লৈকক লৈয়ারেন চন্নুনা লাইসারানি লিনকোন অনিমক খংবা পোকএ, লাইয়িপীদি মহুমন্নুনে নোংলুম কোল্লে অঙোম পোকএ লকুবীদি লৈমা তান্নু হামেং কোল্লে খুয়োনথেম পোকএ, মাংরাইবীদি তোনথাংন্নুনে শামু কোল্লে, খুমন পোকএ।)

পামা হায়বসি তুরন্নু কৌবে। তুরন্নুমহ মৈতৈ তাথিবা ওইবা তোই।

(১) হেল্লোই=অথোইবা লাই মূলী। (২) শামু কোনএ, কৈ কোল্লে, অসিবচিংবা অসি শামু, হামেং, কৈমচিংবা মশক শায়গা পারহমলি মথোয়গী মীচংদা লেপথিবা মীসিং অহু সন্নাই অহুমী ওইথি। হৌজিক মতমগী তোট লৌমবওমলি।

লৈকক লৈয়ারেন চমু তনখাংনুনা লৈপাক য়েংবা খা-দা কুমথিএ। থেরেলোংপম চমুনা মোইরাংদা কু থিএ, চিংনুগা মছুমমুগা লকুদা কুমথিএ। লাইসারা, মবৈনুগা অনিমা হংখং-থিত্নুনা পাখংবা অঙোম, খুয়োনথেম, খাবা, ঙানবা, চুরাং লৈশাংথেম, হাওরোক-কোন্থে, মানতিং-মারাং য়েংবা খোংনাং, খাঙ্কা কম্পোং, লোকথু লোকহল হৈয়েম্ খুনচান লোকখা-হাওখা। সল্লাই তরেংমক খায়দোকপা মফমদি মংংেন মঙ্গুং নোংপোক পাংবাক্সমদা লৈবনে। মাইবরোন তরেং মাঙ্গং সনলাই হেজোংলোই তরেংমক্কা খাইথোকপা মফমদি অসিনে।

চকু অমবক্কী নিংথৌরেন্দি :— সাককুপা, রানককপা, কক্সুবা, তোনকোনপা, পিথিংলেন লম্পাচা।

নিংথৌরেন চন্দবদি : অতোম্ য়োইরেপা, লাইরেংপা, কোইরেনবা। সনলাইদি নিংথৌ মায়াং চাওবগা মচা তঙখু-নুমীবাগা অনিমদি পাখংবগী ঈনে।

লোকখা হাওখাদি : চংপানে, অয়োংনে, য়োইমোংবনে লোইচুনবদা নিংথেম্ পা-চা (নিংথেমচা) ইল্লবানে।

চৌংলী চীংবুয়োই কখামুকনু মৈতৈ অংলেসিংবা সল্লাই মতুংইন্না চৎহন্নমই। চৌংলী মীগী মঙুংদা হৌজিকনু নিংথৌজা, খুমন, অঙোম, খাবা, ঙানবা অসিনচিংবা সল্লাই খুংবনি। রাইখলংরুপদি তাংখুল মায়াংগী মঙুংদা সল্লাই খ মবা খল্লি ঐল। মৈতৈ লাইশিংবা অমুমা অমতা ওইনা চোওনবাই। হৌজিক লোয়িনিই, কংগ্লেনমিংবা খায়বক্তম য়ান্নববি।

অঙোমনে :— লংমাইথেম, হিতম্ লুগাংচম, রাংথেম ঈ অমতনে। নিংথোম্বম, লাইতোনচম্, কাসা-, শুংসাং, খোংনাং, লমপুই, কসোম, অরোংনে।

অঙাংগী ঈদি :— খোকচোম, শোয়বম, লৈমাজম, সিতাবম, অরোংনা নামুংবানে। সারাংথেম, লৈশাংথেম, মোইরাংথেম, কোস্থৌজম, লোকতোংবম মরিয়াগী শাগেদি ঙানবা থুমুকচয়ে। সোংপু, হাওখা অমতনে। খুমল, লুরাং, হৈরেম খুনজান, কম্পোং, লোকখু কক্সা হেম্চেং, লমপা সনলেম, মাখান, থাঙ্গাল অমহ নে। লুরাং শরাং লশাংথেম, পীগীদমক নামুংনবনে। †

নিংথৌরোল্দি :— লৈস্নুং মাইবীরোক্সা লাইরেন পাখংবা, লাইসারা হৈরোং নিংথৌ চনুনা পুইয়োং তোম্পোক, নোংপোইনুনা তাওথিংমাং হাওম্ব খুনা খুই নিংথৌনবা।

* অংোম রাদি :— নোংখল যাংবা, নোংঙ্গল সাংবা চীখল যাংবা, চীখল সাংবা মরিনক্তি পিনাইদে। থাকপা

† মকম অসিদা চৌংগী মী কয়ামরুমগা শাগৈ অকনী কয়ামুক্তা অমতবে অমুহাবে হারিরিবাসগী অর্থদি হানারগা চৈংপুরোইসিং আনিবা শাম্বা মনলাও পিথিবত নৈ।

* অঙোম অসি সেংব্রংগী মচীব মনাও কুশব্রেংনা সম্মোক্সকপা ম চামদা মগ্রহে। অশগী শাগৈদা থাওয়িব পুরৈরোম্বা অসি কুশব্রেংগী মচা পুরৈরোম্বা নকে মথিং মায়কবতুরি। অঙাংলেবনি চুওনবা কুশব্রেংগী মচা পুইনরোম্বাবু চৌংবাংনকী পুরৈরোম্বা হায়বা থওরৈ। কুশব্রেংনা অঙোম মনলাই অসিদা ওরি।

নিংথৌ চন্নুনা নিংথৌ তাবী। তাৱী অসিন সম্বোংমচা. শুই-মুৱৈমনা ওংনচুনা নুংঙৌ ইমথংবা পোকএ, নুংঙৌ ইমথংবনা লৈশাংথেম ওইখিএ। তাৱীনা পাখং য়োইৱেনবগী মচা লেমা কাংথনবু ওংনচুনা মথক্তা কাখিএ। পূৱাংগা পুৱৈৱোম্বগা পোকএ। থাবা নিংথৌচন্নুনা নিংথৌ তাৱী, লৈমা কাংথম্না পুৱৈৱোম্বা. পিথেৎ লৈমা নিংথৌ চন্নুনা থোংহন অহনবা, থোংহন ম্নাইমবা, খমনুং ইৱাই থাবা অহুম পোকএ। থোংহনবন তহনবনা লংমাইথেম পোকএ, থোংহন ম্নাইমবনা হিদান পোকএ, থোংহন অতোনবনা ফম্বান তোংএ। হান্নিং সংখোম পোম্বীনা হৈথৈ লোংনাথাবা, লুৱাংজম পোকএ। লৈহৌ নিংথৌ চন্নুনা শিংশিং য়োইৱেনবা, লৈহৌ নিংথৌ চন্নুনা অখোমসা, লৈহৌন্নুনা তোনতো লৈহৌন্নুনা ওংতৈ শুনতাব।

লুৱাংচেমলোন্দি:— হাওনু সাং খোম পোকপীনা হংকেন লোংনা থাব। ঙান্নুনা খুৎসা, ঙান্নুনা থীংনাং, ঙান্নুনা নাওনং।

কোঙপম লোন্দি:- অঙোম শাগৈদগী খাইথখিবনে। ঙৈয়েল লৈমা থংকোংস্নুনা অতো কোংয়ামপা, থীংপা ফাবীনা লোইলেলবা। মাইপা ফাবীনা সিংকোন্ লানথাবা, কাইৱং পান্নুনা, অম্নুম অতোংবা।

ফাম্ভেক লোন্দি:— লিক্লাবী, চানোংতংনুবী, সৱারেম্না তোংপাইচুনা ফান্ পোকএ। লুৱাং পুক্সিবগী মতু হাওসি-ম্নাংপু

লুৱাংচম্, কোঙপম্ ক ভেকচিংবা মৈথংদা সম্নাই তোঙান তে-ঙানবদা। তিম্নখি।

য়াংবী চমুনা মচা ওইনা য়োকচৈ মানতোমদি খোংনাং ওইখিএ। লিক্লাবীগা নোংঙংমুনা খোইনে, থাপ য়াওমুনা কান। থান্‌চাও মুনা খোইপু মিংনাব, লাইয়ং খুপীনা তাকং। লাইয়ং হনবীনা কাইমু, য়াঙথীংকোক্‌পা চমুনা মাকৌ-মিংথোল, খিংযোইমুক্তা কাংখুচা, তোনবা সূশোং লাইবা, চেকলৈ নিংথৌ চমুনা নিংথৌ য়ুকাংব। পোকপী লাইয়েং খুবীনা থমলাই তহোঙবা।

* লৈরাং খোংনাং লোন্দি :— লিক্লাপীচা নোংঙংমুবী, সোরারেন্না তোংপাইতুনা খোইতোম মানতোম পোকএ। খোইদি ফান্তেক ওইখিএ। লিক্লা পীচা নোংওংমুনা মান্তোম্ তিংকোঁই নিংথৌ চমুনা খুরাং য়াইবীরেমনা থম্পোঙ, লাবাং মাইরাবীনা লেরা, ঙামুনা খোংনাং। খোংনাং অসিনা নুংশাং খোংনাং লম্পুই কসোম, তারা লাইশং ওইখিএ। ঙামুনা মাসেম কোলখু, ঙাম্নুনা রাসা, ঙামুনা চাঙান, ঙানমুনা হাওরা ময়ুম সন্‌হোংবা।

মোইরাং থোকচোম লোন্দি :— লৈফুরেন চমুনা য়ুচেং (১) লৈচীরেন চমুনা য়ুকোরেন, লৈথম্লেন চমুমা খিং খিং লাংবা,

---

* লৈরাং খোংনাং মানতি মারাং অসি মৈতৈ মরাই অতৈদা তিন্'সনখি।

(১) মোইরাং অসি য়ুচেং অমদি য়ুহেচিবা মতোল্লকপদি হায়রি। ভারতবর্ষ'গী ইতিহাসতা মখিং চংলিবা কুসান থাঁবৈগী নিংথৌ কনিষ্কচিংবা অসি মোইরাংদি হায়না চিংনরি। মধুয়াসি কুসানা লিংখৎখি। মোইরাং থাংচিং অসি হৌচিকসু চীংথোনবু খুদোম্বা পুথা ভগবান শ্রীকৃষ্ণদি হায়বৈ। থাংচীংবী অর্থদি চী থাম্বংপদি থাংচীংবী মিংথৈ

লৈন্নুং য়ুপুরোই চন্নুনা উরেন্‌হন্‌বা, লৈন্নুং চাখা চান্নু ভাংসা-বীনা ভাংহনথোকএ, ভান্‌নুনা ভাংসা, ভান্‌নুনা কৌপরেন ভভাংভা, লৈমা লৈরোং লেশ্বীনা খোইনৌনাই ঈমথংবা, খাম্বী খৌখা চন্নুনা পুমিংনাবা, থমপা মাইনৌ চনুনা খোইনাই খুম্ভবা।

উরোক লোন্দি :- উসা (কনাগুম্বগী লাইরিক্ক নোংসা অসুম্না ইরি। শকক্ লাইরিক্ত উসা অসিনা মেতৈগী কবি অহানবনি, ভেংথারোন শকবি হায়ভুনা ইরি। শ্রীমদ্ভগবত গীতাদসু উসা হায়বা কবি অতু শুক্রচার্যনি তথোইবা কবিনি, হিংচাবগী গুরুনি হায়রমই। মৈতৈ লৈশাক্তা উসানা পোকখিবা অসি মীওইবনা হিংচাবা হায়রদি চাক থোংভুনা চাবা থংভ্রিবা য়ায়া হৌনবা থঙদবা মতমদা পোকখিবনি। উসা অসি উরোক শাগৈদা পোকখি।

লোক্থারোন্দি :— লোকখা, হাওখা, আহৌরেং, অহৌ-ভামা, থৌপু, থোকসেন, ভাসেন, পুকমারী লমতম্ য়েলরাই, নিংথৌবা, চকপানে, কাপু-কারৈ অসিনে।

অমা বিসহ্ ('বঙ্কু) কৌবৈ। হকচাংগী ময়মদা লৌরগা লিখি গোবৰ্দ্ধন হায়বাদি মীওইবগী শীয়াই অসিনি। হকচাংগী শীয়াই মথক্ত ভগবান থাংচৗংগী কমৃকবনি হায়না মৈতৈনা নিংবৈ। মীওইবগী থোপ, মমুংদা মিং অনি মিংখ্রম অনিগী মথক মাপাদা পিরবা অহোবা অমা লৈরি। মতুং ইংরেজীদা Foraman Monoru কৌবৈ। মকম অসিদা য়াংলেম শক মমুংদা লৈবা অমা (হুয়ুম্না) কৌবা সিংনি মমুংগী মহী অমা ভভুবা হরুং হন্দা চংলি মকম অহুগী ঈশ্বর কৌক্রগী কমকমনি, অহুপা মাখিং হায়বদি শগোল খুক্রপ থৌবওম ভীং (Heart) পু থৌখিবা ভগবানগী

ভে লৈরোন্দি :— ভেংলৈমুংচা, হাওয়াংমুংচা, মুমুংচা, হাওরম কোকচা, হাওসাংচা, তেকতাপা, তোইতাপা, পানমা ভোনপা।

মানভিং লোন্দি :— ভীংনা লৈফোন।

থাবান লোন্দি :— থারা, কোইচীং, কোইমা, ভিনয়েংভচেং থোপসেন ঙাসেন, থোংথোক ফুরাম, ভালথোং, খুৎমনাও।

লৈশাং থেম্লোন্দি :— কভি লাইরেম্বে, কনা নুংকারেং, নোংভা সাংবগা, খাকপগা পোকএ। খাকপগী মমিংদি ভনৌভরেংবা কৌএ, মখাদি ন্নইমনা পোকএ। খাকপা অসিদি খুয়োংথেম ওইখিএ। থাঙবাইবীনা হা হা পোকএ, লৈরিবীনা কোংঙা পোকএ। নুংম্ নুংঙৌ লৈমনা সনা নুংঙ্কান ভোংকাবীনা পাখং য়োইরেনবা পোকএ। মাভু সিলপী লৈমা লৈতেং নিংথৌ চন্নুনা নিংথে, কাংবা লৈমা কাংথন, ফম্বানচা, সমভাংমু, মুমোইমু নিপা অহুম মুপা অহুম ভরকমা পোকএ। পাখং য়োইরেনবনা থারোং, লোইরেন অনিমা পোকএ। লিরী লৈমনা খুংখুম হাহা, খুমখুম লৈমনা রাননে, নুংঙৌ ইমথংবা, লমেক সাংনা হাও ওইবা, চীংদা কানা পাময়ানবা। মনাওভোন পাখেং কোইবা অহুম পোকএ। লমলেক সাংনা হাও ওইবদি কবুই হাও ওইখিএ। ভোনবা থেংকোইবদি হাওরোক কোম্বৌজম

মঙণবু মরি চিংথংলচই। শমুভন অমাম্বনা ম'রি নেৎথংপাবু নাং থাক্তুনা ঈবু চিংথংলি মসিদা লৈব ঈশব শ'ক্তবু মার্জিং কৌই। মৌওইবগী খে'ই র লিরসাং অসি লিলগী মতৌঙুয়া ভৌই মচুগী মথক্তা থম্বাল চাম্মা নি ১লঙম লাইয়েং-লাইথুং চতু (Omentum) লৈ। খোরদে

নুংঙৌ ইমথংবদি লৈশাংথেম ওইখিএ। তুইহু লৈমনা নুংঙৌ ইমথংবা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুচিক-লৈ. মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুকাংভাও, নোংমোইন্নুনা সরাতোন, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা সনা পুকভাঙ, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা সরাঙানৈ, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা খোংচী নুংলাইবা, য়াওরৈমা চন্নুনা নাওফং অহনবা, নাওফং অতোনবা অনিমক পোকএ। নাওফং অহনবদি চেংলৈপম ওইখিএ। নাওফং অতোনবদি নিংথৌ ফম্বান ওইএ।

পেন্নুনা খাঙ, ইতাওপূং খোং তৌবা লাম্বাই মান্‌সরীক লমলোইব, মাগী মতুদি ইরেম তোইপীরৈমা। লুরাং খুনখিবা চন্নুনা পাংথং অহানবা, য়ুনাওরোই য়াইমবা কামু অতোনবা অহুম পোকএ। লৈশাংথেম লোলদি তোইবী লেমনা কামু অতোনবা, য়াওরৈপম চন্নুনা চেকুকা।

মরিয়া ফম্বানচা লোন্দিঃ— পাথং য়োইরেনবগী মতু সিলপী লৈমা লৈতং নিংথৌ চন্নুনা মরিয়া ফম্বানচা, মঙাং

অমি কুংলি মত্রগা তোঙই, মকম অসিদা থমহুনা ঈশ্বরবু নিংবদা ঈশ্বরবু কংনা থক্ত কখা পাথংবা কৌই। খোমংদো খাদা পিরাইবক্তা নিংবা ঈশ্বর শীসহ্ (বিষ্ণু) অমদি খাংচৌং কৌই।

ঈশিং-খোঙ্ (সিন্‌খোং) দা কখা ঈশ্বরবু বাংখবেন কৌই। মকম অসিবু তকুহ কৌই। তকুহ অসিদ লোক্ নিংথৌ, সন্নামহী অহুনা বাংপুরেনবু নিংবৈ। সন্নামহীদি জীব সম্তোক্রবা শক্তি (পাক্লবা) অহুবনি লোকনিংথৌদি — ঈশিং চেহুবকম লোগ্ অহুনি।

"মঙাং নিংথৌ চন্নুনা" হায়বা বা অসি তত্তবা হায়বা খেংবৈ। মঙাং শাটেপনী চহুবু মথং মথং লুহোংহুনা লোৎমনী অহুমা হায়বনি।

নিংথৌ চন্নুনা থোইবা লোইথাং, ঙাম্নুনা ঙাংচেং, মঙাং চন্নুনা ওইথাং, মঙাং চন্নুনা ঙাংচাও, খাবারোন্না থৈনাই, বাকোং নিংথৌবা চন্নুনা কাংক্ষু থাবারোনা পুমীংনাবা কাংবা।

মোইরাংথেম লোন্দি :— চেকৃপী ঙানবীনা লৈনিং কোয়বা মীহিংলেন্নে, মীহিংলেনা অঙাং, অঙাংনা হুংঙাংলেন, হুংঙাংলেন্না তুমারিংবা, তুমারিংবনা ঙোইতনৌ হিংলিং, লৈন্নুং য়ুচাখাচান্নু ঙাংসাবীনা ঙাংনিংসিং॥ লৈন্নুং ঙাংসাবীনা ঙাংনিংসিং, ঙান্নুনা লারেং, ঙান্নুনা ফাংফঙ ঙান্নুনা স্বনুচা মায়াং লোইকেনবা, লাইরা লৈমা ফিমোই কাংবীনা, ইরাং ফেতেলবা। উরাখুন কাবা।

কোম্নোজম লোন্দি :— লুইনু লৈমনা রোকপা, সুংঙৌ ইমথংবা, থারে লোক ভোনবা অঙম পোকএ। লুইনু লৈমনা রোকপা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা নোংলোন, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা লেমপা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা মাইসাং. মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুকোনবা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুনালবা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা নাল, পাসা কাবা॥

(অতোপ্পা লাইরিক অময়দি) :— মঙাং নিংথৌ চন্নুনা লেম্বা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা থম্বাল, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা হাঙ-রোক, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা কোনথৌ, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা মাইপাক, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা মাইসোং, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা নারা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুমকোনবা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা মুনাল্বা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা নাল্ব শাফবা। কোম্নোজমগী সন্নাই য়ুমচংবদি নাল্বা শাফবা মঙাং নিংথৌ চন্নু পায়ভ্না

মুবাগা থাঙ্চেংগা পোকএ মুবাগী ঈদি কোম্থৌ লাইরেম।*

লোকতোংবম লোন্দি ঃ— হুইমুরেমনা লোকতোন্ অতোন-বা মঙাং নিংথৌ চন্নুনা থিংবা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা লোকচা, থারৈ নিংথৌ চন্নুনা চামোইব, লেমলৈ নিংথৌ চন্নুনা ঙামোইব, খোনজে হাওতক লাইবা চন্নুনা মোইচা, চেকলৈ নিংথৌ চন্নুনা তোনতাঙ, ঙাপ্নরোন থীংলো মানলো মোম্বীনা লোকতোনবা কোম্বীচা, লাইতোং ইফেনবা চন্নুনা খা নিংথৌ শাফবা।

খুয়োনথেম লোন্দি ঃ— সুমাইলনা খাকপা নিংথৌ য়োই-রেনবা, নিংথৌ মোইবীরেমনা মাতুম্বনা উইনা কোক্লোইরেম, তিংকৌ নিংথৌ চন্নুনা নমপুয়াই, নেনলৈ নিংথৌ চন্নুনা খুংগান লেপ্পা।

ঙানবা লোন্ খাইথুংপদি ঃ— ঙানবরোন খাঈথুংপদি চীনফুরোন লৈচীক ঙানবীনা নোংতমলেন অথুবা লৈতমলেন চন্নুনা নোংতম হনবা, চিংস্থুরেমনা কুক্রুমলেন মৈনাইদবা হেমু-রৈমনা কুক্রুমলেন মৈনাইব। য়াইবীরেন চন্নুনা পোংথাঙ, লৈন্নুং ঙানবীনা নোংদম পীসিনা হৈরোংলেন লোঙচুন্বা পীসিন-খোম্বীনা হৈরোংঙাং থোংঙারেননে। পিয়াইন্নুনা থারারেননে, পোইরৈতোন্নে। পোইরৈতোন্দি খুমন লুরাং ওইখিএ।

---

* কোম্থৌজম লাইরৈমগীদমক কংলিবা চিঙাক্তি মরিলনা মুলহনবা (Steamed) ঙনজানি। ইবেমদা চহী খুদিং ঙল্ অসি কংলি। কোম্থৌ লাইরৈমা অসিগী মরমদা বাথ্রি মায়া লৈরি। মোয়ারেনা ভুহোংদুনা খোইরি কাবা পোকখি হায়রৈ।

পীয়াইনুনা থরারেন, লৈচিক নিংথৌ চনুনা ভানবা লৈচীক চিকলিবা, লৈথমলেন চনুনা লৈথম থ.লিবা, লৈমু য়ুচাখা চনুনা ভানবা য়ুচাখা, লৈমং য়ু পুরোই চনুনা ভানবা য়ুপুরোই, পুরৈলোমনু সুনা খামচিংকোন কোনহাইহৈবা, মঙাং চনুনা হন-ফবা, মঙাং চনুনা হেমফবা, মঙাং চনুনা শিঙ্গেংহনবা, মঙাং চনুনা লিনরাই হনবা, মঙাং চনুনা খুকনুখোরবা, মঙাং চনুনা নোংখোইরেন, মঙাং চনুনা রাইহৈবা মঙাং চনুনা কাংরাইবা, মঙাং চনুনা য়ুরৈবা, লুরাং, পূন্সিবা চনুনা হাওবা চাচেং রাহেং মাঙবা চনুনা রায়েংবা। মঙাং চনুনা সিরাই বাংচা। খামেন লোকপম চনুনা হৈবা।

খুমুকচম লেংদি:— পিয়াইনুনা থারারেন, লৈচীক নিংথৌ চনুনা লৈচীক চীকলিব, লৈথম নিংথৌ চনুনা লৈথম থম্লিব লৈমুং য়ুচাখা চনুনা য়ুচাখা, লৈমুং য়ুপুরোই চনুনা য়ুপূরোই পুরৈ লৈমথু সুনা খমচিংকোন হাইহৈব, পূরৈলোমথু সুনা খুমুরোং চীংঙাং নিংথৌ চনুনা, তুরেন নামফৌ মচন লৈমা পুংকারিং পীনা পানবা পুরেলোংবম চনুনা তোংহন, লুরাং খুনথিবা চনুনা হাওব, লুরাং চনুনা শিংমিৎ লাংমিৎ চুবী, অসিদি খুমুকচমে।

লৈখাংথেম খাগৈবা পোথিরবা বান, বেমুনচিংবা নি থৌশিং অসি সংস্কৃত লাইরিক ভ রতবর্ষগী সত্যযুগকী অথোইবা নিংথৌ বান, বেমু ওইরবগত্রা মখিং মারুকবতবা চিংনবা পোকই। লৈখাংথেম খাগৈগী নিংথৌশিংদি সত্যযুগকী নিংথৌনি। বেমু নিংথৌগী মচা চীথেন নারিব পাঙলবদি হনুমান, ভীম, হাবকিউন্সকা মাদৈ। হনুমানা

থাবা লোন্দি:— মৈপীরেম্না তোরেনথা, মৈথয়েন্না তেরেন থুবা, মৈশংলেন্না তোরেনথা, মৈথম নিংথৌ চনুনা তো তিং তো, মৈরাই নিংথৌ চনুনা তোতাতেল, মাহো নিংথৌ চনুনা তারং, থাবীনা থাবা মৈরেন, লেরেন নিংথৌ চনুনা থাবা, মৈতং নিংথৌ চনুনা মৈশংলেন। মৈচীক নিংথৌ চনুনা লেচীক চীকলিবা, মৈথংলেন চনুনা মৈথম থম্লিবা, মৈনুমুচাথা চনুনা য়ুচাথা, মৈনুং য়ুপুরোইনা, থাবা য়ুপুরৈ, লংমাইনিংথৌ চনুনা তুরুমকোইবা মাঙাং চনুনা লোনলৈ নিংথেনে। লংমাইচনুনা ফানতোংবা, মঙাং চনুনা লিনলি, লংমাই চনুনা মাহো নিংথৌ মঙাং চনুনা য়ুঙান্বা, লংমাই চনুনা তোংবা, থুমন, লুরাং, কমপোং, লোকথু, লোকহন, থাবা, ঙানবদগী। থাইএ।

থুমন লোন্দি:— চীনকুরোন মৈচীকঙানবীনা নোংতম থুবা, মৈথমলেন চনুনা নোংতম হনবা, চীংনুমৈমনা কুরম্লেন মৈনাইদবা, হৈনু মৈমনা কুরমলেন মৈনাইবা, মৈকুরেন চনুনা পোংথাঙ মৈনুং ঙানবীনা পোংহন, পীসিম্নুনা হৈরোংলে লোংচুম্বা, পিসিন খোম্বীনা হৈরোংঙাং, পিয়াইনুনা পোইরৈতোন। মৈনাও

অঙাং ওইরিবৈদা তুমিং লোরকপদা তুমিং কাপদবগী চোংথংথি হায়রগুম চীংঙেন মাখিন পাজলবনা মমানা পোকপগা মপা ইবুংঙো থিবা কৌক্রবা চংথি। মাখি অসিগুম্না মহাভারতকী শুকদেব মুনিমু খোইরি থাওন ওন্দুনা ঈশ্বর থিবা চংথি, ব্যাসনা তাথি। চীংঙেন মাখিন পাজলবমু খোইরি থাওন ওন্দুনা মপা থিবা খোকথি, কৌক্রগী ঈশিং পাংথবা থিংথি।

তাবিনা সিংতপুং, সঙ্গোং পুনেম্বচন্নুনা হয়োংবগা, পাম্মিংগা পোকএ। চিনকুরেন লৈতোংলেম্না ভুমাহাংনা, ঙাম্নুরোন খোং-ঙাইবা চন্নুনা লুংব, সঙ্গোংপুনেম্ব চন্নুনা পাম্মিং, হুইম্নুরৈমনা ন্নুরাং খুনখিবা, কৌবরেন নামোইম্নুনা ন্নুরাং পুন্সিবা, ঙাম্নুরোন খোংঙাইবা চন্নুনা মুংখোংঙাই।

খুনখোঙদি :— নোংখোম্বম হিচম্না পোকপা, মুংকাংপম্না য়েনপা।

(১) মরমদি খোংনাং সাম্নাম পাক নাম্নাং হাও লৈথন, কৌপা, কৌম্নুকা ইরেং ইখায় পুম্না চম্না (২) কায় কানাকে।

থাঙ, সাপা চেংলৈপম্না পোকপা, মোইরাংথেম্না য়েনপা, মারমদি, লমলেন সনায়ান, য়েংলৈ-নারাং ইপু, পুম্না চম্না কায় কানাকে।

লমলৈ খুমিংপানা পোকপা, খুংঙাং ম্নাই চৌখুপানা য়েনপা মারমদি চীংঙেন কাইং তাওকা, হনপা মাঙ লৈম্নুং কোন ঙা-তেনপিম্নুং মাইচমকা পুম্না চম্না কায় কানাকে।

খুংহৈবা :— তিনপীচম্না পোকপা, মম্নাংলম্বম্না য়েনবা মারমদি — চীংমৈরোং ম্নাঙম্থেন অসৈবাংপী কমপোং য়েন-কাইতকা পুম্না চম্না কায় কানাকে।

(১) মরমদি — লৈমকমদি, মরম লয়েন্দি (২) কায় কায়বে - থবক পুম্না তৌমিনৈ কায় য়ম - থবক তৌকম (কার্য্যালয়)। মতাং অসিদা "পোকপা" হায়বাসি মথাবুনি, মমিং হায়বগী মহুক্তা হূপী অহুপী শাপৈ বিপা অহুপী শাপৈ মমিংতা হায়রি। খুম্বোঙ, উমাংপা ঢাইফুকা মৈতৈসিংনা থাজনবগী চৎনবক৳। খুম্বোঙ, উমাংপগী মকক্তা পোবর্দ্ধন

ইংরাং লাঙবা লাইশ্রম্না পোকপা, ইমলেন পম্না য়েনপা, মারমদি হাওকপ চীংসাং খুনফম ঙাংচেং পুন্না চন্না কায় কানাকে।

উমুখুন পুংকাইথেন কাইনা পোকপা খুমনচা মাইপা স্নুম পানা য়েনপা, মারমদি লমপান খোইরেংপান লৈমোন চাকোই পানকপা পুন্না চন্না কায় কানাকে।

ওকুকোনপা মোইরাং চাম্না পোকপা, মোইরাং থেম্বনা য়েনপা, মারমদি কংপো লৌতাও থোংকা সিংথা লোইখোমকা পুন্না কায় কানাকে।

কৈকনপা হোঙলাম্না পোকপা, কাংঙাপম্না য়েনপা মারমদি থোঙ, থোকঙাপুরম, মারোং মীকোক চাসিন হৈবা কৈপুরমপু পুন্না চন্না কায় কানাকে।

লাইখুতি হাও খোম্ন পোকপা, অরাম্বম্না য়েনপা মারমদি লোনলোই লৈমরাং হাওরা তঙৌপাসি পরেং কোনপু পুন্না চন্না কায় কানাকে।

খুবাইখোঙ মান্নী লাইতোন হেমলাই সাপানা পোকপা, অরাংশিংকল্লৌনা য়েনপা, মারমদি য়াওরৌ তৈকুপান চীংপাফুলা ইশোক লাংয়া পুন্না চন্না কায় কানাকে।

পুন্না হায়হুন্না বৈষ্ণব সম্প্রদায়না তৌরম্বি। কায় হায়রগা থবকপু থঙবৈ কাই হায়রগা অশিবা মীগী কু (Coffin) বু থঙবৈ। খুদোংঙদি হায়বা মতাং অসেনা "কাই কানাকে" হায়হুন্না ম্যাইথিক শবিমক্তা ইরমই অমুম খৈহোক্না "কায় কানাকে" হায়হুন্না ইবি। থবক তৌবা পুন্না

লৈথক-লৈখারোন

? হে লাম্বিংথৌ অসেম্বা লাইগী মিংথো খোংথোক্লবা ও! মতিকপু ওবাখ লৈতগনু থিনিং ভচৌবা কুমথবা নাঙান ভচৌবা সিদাবাবু ইথুং তরামানা কোবথক থোংনা ইকু কাইতা চান্থানা খুরম্না ইচরক্লে। মথেক নথোং চতপ, পোতপ, তারবা, চাকচা নিচেং মচু মখেল হাংঙ্রে, মনিং মখা হুদে হাম্বনা তাথিকনো। লাইরিক অসি পারবা মীনি মপুক কাবা, মরিন, চুথা, অহিনবা মতিব খঙবা মীনা পাংঙে। মী মপুক ফবা মরিন, চুমদবা, মতিক খঙদবা মানা থারনতি মাহাক উংকুক্স তুমরে। ফজবা মী কোরদি মমা মপাবু কিদবা, মখাগা, মচেমবু খোঙইদবা ইচগী পিবাবু মী থাদরবা, লোইসংগী হনচবা হিদংবু কিদবা মথক্কী অহনবু খৈবিকপু কিদবা, কৈরুং সেন্থং * পুখনন নোংথোন নিংথেনা মোকচানাবু

? "অসেচ" অসি অহোবা ওইনা, ঈশ্বরগী মথককুব ওইরে। লৈ-মিংগী লৈরিক-মরিন, মিপা ওইবগী অর্থাৎ ওইনবা মতিক (sperm) গী মথকনি, অদুগা অমরোরবা খমদেং মতমী মখুংবা চুমচুমনা লৈরিবা ওইবা পাম্বিতম্ ওইরে।

পুখবন, নোংথোন মন্ত্রী মথন অনিমি হৌজিকী মন্ত্রী মণ্ডলগী opposition* (অথবা) মীচাংগবদি।

য়াইসা থুনতি থোঙলেন য়াইচমপা য়ৎু হৈরাংথোং হৈচু-রোই নাই হাম চাওবানা পোকপা, তালথোং থুংতারৈরানা য়েনপা, মারমদি রাংচীং মৈ থুনাকে, তিনপান কাইতোং নাকে ককৃরাকা তালপনকা থোংতুকা থোংলেনবা পুন্না চন্না কায় কানাকে।

কোনসংবা সনপেন্না পোকপা, য়েংহৈ পন্না য়েনপা মারমদি নাপুবা লোথোংচাও থোংচাও লাইরুক কোনগা পুন্না চন্না কায় কানাকে।

